হরিনাম মহামন্ত্র

हरि हरये नमः कृष्ण यादवाय नमः।
गोपाल गोविन्द राम श्रीमधुसूदन॥
नामैव परमोधर्म्म नामैव परमन्तपः।
नामैव परमो बन्धु नामैव जगतां गतिः॥

শ্রীযোগেন্দ্রজিৎ সিংহ

হরিনাম মহামন্ত্র

সংগ্রহক :—

শ্রীযোগেন্দ্রজিৎ সিংহ

সম্পাদক

মণিপুর গীতা মণ্ডল

অমসুং

সাত্বিক জীবন সঙ্ঘ, ইম্ফাল।

মূল্য— লুপা ১'০০

প্রকাশক ঃ—

প্রাকৃতিক আরোগ্য

ভবণ

পাউনা বাজার, ইম্ফাল



প্রথম সংস্করণ

১৯৬৫ ইং

কপি ১০০

মুদ্রক ঃ—

মণিপুর গীতা প্রেস

শিংজমৈ, বাজার, ইম্ফাল



श्रीकृष्ण शरणं मम

মুখ্য পত্র

হরিনাম মহামন্ত্র

লাইরিক অসি নিংথিনা পারে, মসিদা হরিনামদা আশ্রয় তৌজরিবা মীওই খুদিংমক্কী মরু ওইনা খংফম থোক্লবা অশেংবা হিরম অয়াম্বা ফোংদোক্লে। অমস্তুং কলিদা শ্রীকৃষ্ণনা নামগী মশক ওইনা অবতার তৌবিতুনা জগৎ-জীববু লালবিরি হায়বনচিংবা অসিমক্কা নাম অসিমক শ্রীকৃষ্ণনি খংহনবিরি। মতুদি—"সাধ্য সাধন তত্ত্ব যে কিছু সকল হরিনাম সংকীর্ত্তনে মিলিবে সকল॥ চৈঃ ভাঃ ভক্তি মখল ৬৪ গী কান্নবদো হরিনামদগী ফংগনি হায়বিরি। মরম অসিনা লাইরিক অসিনা নামাশ্রয় তৌজরিবা মী পুম্নমক্কী থোইদোকপা উপকার ওইগনি হায়বা থাজে। লাইরিক অসি ফোংদোক্পিনবা হোৎনবদা অন্নাবা কয়া মায়োক্লবিখিবা লেখকনা মথং মথং বৈষ্ণব জগৎকী সেবা তৌরকসম্ব হায়না প্রার্থনা তৌজরি।

ইম্ফাল
তাং ৩১। ৭। ৬৫ ইং

শ্রীশিবদত্ত শর্ম্মা তর্ক তর্ক তীর্থ
সভাপতি
মণিপুর গীতা মণ্ড ইম্ফাল।

"হরিনাম মহামন্ত্র" হায়বা লাইরিক মচা অসি পাজরে। মসিনা সমাজগী আধ্যাত্মিককী উন্নতিগী মতেং নিংথিনা পাংবা ঙমগনি। পুন্সি তেল্লবা, তল্লবা, মখল মখা অয়াম্বা দোষনা থল্লবা কলি জীবগী মমল নাইদ্রবা চিন্তামণিগী মশক ওইরবা লাইরিক অসিনা মখোয়গী মফমদা কয়াগী মতীক উপকার

মুখ্য পত্র

পীবগে হায়রবু মথং মথং লাইরিক অসিনা তাক্লিবা সাধনা অসি তৌরবা মতুংদা খঙলক্কনি। অসিগুম্বা লাইরিক অসিবু জনতাগী কল্যাণগীদমক পুথোকপিরক্লিবা গ্রন্থকারবু, হন্না হন্না ঐনা ধন্যবাদ তৌজরি। অমসুং ঈশ্বরনা অসিগুম্বা অফবা থবক্তা পুন্সিশাংনা গ্রন্থকারবু থম্বিসনু হায়না প্রার্থনা তৌরি। ইতি

২৯।৭।৬৫ ইং
ইম্ফাল

শ্রীব্রজবিহারী শর্ম্মা
কাব্য ব্যাকরণ স্মৃতি তীর্থ
ব্রহ্মপুর, ইম্ফাল।

কবিরাজ শ্রীযুক্ত যোগেন্দ্র সিংহ আয়ুর্ব্বেদ শাস্ত্রীনা সংগ্রহ তৌদুনা লেংবা "হরিনাম মহামন্ত্র" কৌবা লাইরিক অসি বৈষ্ণব দর্শনগী রহস্য ওইবা প্রমাণ বচন খিবিক্লা যুক্তি ওইদুনা নামব্রহ্মগী মহিমাবু শন্দোকই। মসি থোইদোক্লা মতম অসিগী দরকার ওইবা শ্রীগৌরাঙ্গগী অনুগত ওইবা যুগ ধর্ম্মনি। শ্রীভগবদগীতাদা "স্থানে হৃষীকেশ তব প্রকীর্ত্ত্যা, জগৎ প্রহৃষ্যতেঽনুরজ্যতে চ"। হে হৃষীকেশ! ইবুংঙো নহাক্কী নাম গুণবু শকচশোঞ্জবনা জগৎকী নুংঙাইবা অপেনবা ওই হাইবসি অচুম্বনি। (১১ অঃ) অতে প্রমাণ অমুক য়াম্না ইরুবগী কান্নবা লৈতে, লাইরিক অসিদা য়েংবিরগা পাঠকশিংনা মনন তৌবিয়ু। ধন্যবাদ তৌজে।

ইম্ফাল
তাং ৯।৭।৬৫ ইং

শ্রীকবিকর্ণপূর শর্ম্মা শাস্ত্রী
শগোলরন্দ।

উৎসর্গ পত্র



শ্রীমতী বিনোদ মঞ্জরী দেবী


(ভোম্বী ন)

ঈমা ! ঈমারোলদা হরিনাম মহামন্ত্রগী মহিমা
হন্দোকচবা ঙমজবা ইমাগী কৃপাদগীনি।
বেদগী বাণী—"মাতৃদেবো ভব" হাইবা
নচ্চানা লৌজরি। হরিভক্তিদা
মাই ওনশনবা ঙম্নবা বর পীনবীয়ু।

নচ্চা

তাং ১৩।৭।৬৫ ইং

শ্রীযোগেন্দ্রজিৎ সিংহ



শ্রীযোগেন্দ্রজিৎ সিংহ

লেখক :—

ব্রহ্মচর্য্য, যোগাসন, য়াইফ য়ুম্বালোন, গীতাগী রাখল,

য়ুমগী লাইয়েং শিদহাদাকন চংবা।

[illegible] [illegible] ১৬।৮।৩৮ [illegible]

ভূমিকা

হরি হরয়ে নমঃ

হরিনামদা পরায়ণ ওইবা গুরুজনশিংগী চরনদা দণ্ডবৎ প্রণাম তৌদুনা খুরুমজরি। অমসুং সাধু বৈষ্ণবশিংগী হৃদি বৃন্দাবনদা বিহার তৌবীরিবা জগদ গুরু শ্রীকৃষ্ণবু কোটিরক হন্না খুরুমজরি। লেখকনা য়াম্না অঙাং ওইনা চহি ১১ শুরকপদা উপনয়ন তৌদুনা গায়ত্রী মন্ত্রদা দীক্ষা ফংলবগী তুংদা মাতৃদেব অমসুং পিতৃদেবগী তুং-ইন্দুনা শ্রীগুরুদগী হরিনাম মহামন্ত্রদা লাইমিং লৌজখি। মতম অতুদা শ্রীগুরুনা য়াম্না যত্তন তৌদুনা নাকোংদা তাকপীরিবা তারক ব্রহ্মনাম অসিবু মরম মুন্না খংজন-থিজলহৌদে। মমৈথংদা — লেখকনা তীর্থ কোইজরকপদা শ্রীধাম বদরীকাশ্রম হিমালয়দগী সমদ্রু মপাল রামেশ্বর ফাউবা অমদি দ্বারিকাদগী শ্রীক্ষেত্র-ফাউবা চারিধামনা কোনবা ভারত মাতাগী তীর্থভূমি, তপোভূমি, লীলাভূমিশিং মথুরা, বৃন্দাবন, নবদ্বিপনচিংবা ধামশিংদা লৈরিবা ভজনাশ্রম অমসুং মঠনচিংবদা—হরিনাম মহামন্ত্র শক-শোন্দুনা অয়াম্বা সাধকশিংনা সাধন তৌরম্বা থেংনজে। থোইদোক্ক হেন্দোক্কা হৃষিকেশ— স্বামীশিবানন্দা আশ্রম, শ্রীজগন্নাথ পুরি, বৃন্দাবনগী অমসুং নবদ্বিপকী ভজনাশ্রমশিংনা হরিনাম না অখণ্ডকীর্ত্তন—গী অনুষ্ঠান তৌবা থেংনজরকই। মতৌ

অসুমনা — ধর্ম্ম শাস্ত্র হৈরবা যোগী ঋষি; সাধু বৈষ্ণব পণ্ডিত তগী হৌরহুনা হুপী নহা অঙাং ফাউবা ভারত বাসীশিংনা সাধন তৌনরিবা নাম অসিগী থোইদোক হেন্দোকপা মহিমা অমা লৈরমগনি হায়বসি থাজবগা অোয়না হরিনাম মহামন্ত্রগা মরীলৈনবা রাফম মখৈ সংগ্রহ তৌজরকই। বৈষ্ণবশিংনসু হরিনামগী মহিমা থিনরকপদা হায়নৈ—"নামের মহিমা কে জানিতে পারে" নামগী মহিমাদি ভগবানমকনসু খংদে হায়না। অতুমওইনমক পাতঞ্জলি যোগসূত্রদা "তজ্জপতদর্থাভাবনম্" জপ তৌগদৌরিবা মন্ত্র অতুগী অর্থ মন্ত্রচৈতন্য অমসুং মহিমা খংদনা তৌবদি মপুং ফাবা মহৈ ফংদে। মরম অসিদগী বুদ্ধি লৌশিংনা লাম্বা ফংজবা মখৈ—মন্ত্র ওইনা শ্রীমদভাগবত, গীতা, উপনিষদ রামায়ণ মহাভারত, শ্রীচৈতন্য চরিতামৃত, গীতাপ্রেসকী — ভগবদ নাম মহিমা অমসুং শ্রী ১০৮ স্বামী শিবানন্দ সরস্বতী মহারাজগী ভক্তি সাধনা, জপযোগ, সাধনা, Essence of Yoga নচিংবা সদগ্রন্থশিংদগী সংগ্রহ তৌজখি। মতৌ অসুমনা হরিনামগী মহিমাগী মরমদা থিজনজবমখৈ অসি ইমারোন্দা হন্দোকচরগা খ্বাইগী সেবা তৌজগে থৌরাংজবনি। দোষ পুম্নমক লেখককীনি। অপরাধ পুম্নমক ঙাকপীয়ু।

কনাগুম্বা অখং অহৈশিংনা অরানবা থেংনবীরবসু অকপীরবদি হরাও হরাওনা চুমথোকচগনি।

ইম্ফাল
প্রাকৃতিক আরোগ্য ভবন
গুরুপূর্ণিমা তাং ১৩। ৭। ৬৫ ইং

ভক্তাধীন
শ্রীযোগেন্দ্রজিৎ সিংহ

সূচীপত্র

াহৈরম	লামায়ক
১। হরিনাম মহামন্ত্র	১
২। কলিসন্তরণ উপনিষদ	৭
৩। কলিযুগকী মহাসাধন	১৩
৪। নাম রহস্য	১৭
৫। হরিনাম মহাযজ্ঞ	৩০
৬। নববিধা ভক্তি অমসুং হরিনাম	৩৫
৭। হরিনাম সঙ্কীর্ত্তন	৩৬
৮। শ্রীশ্রীশিক্ষাষ্টকং	৪০
৯। নামাপরাধ	৪৫
১০। অপরাধ কোক্নবা	৪৬

মঙ্গলাচরনম্

ও সদ্‌গুরু পরমাত্মনে নমঃ

(১)

হরেঃ সদাঙ্ঘ্রি ভজনৈকচিত্তং
ভক্তিং জনেষু কৃত সম্প্রচারম্
তদ্ পাদপদ্ম মকরন্দ ভৃঙ্গং
ভজে গুরুং তং সুখবোধরূপং ॥

(২)

বন্দে গুরূনীশ ভক্তানীশাবতারকান্
তৎ প্রকাশাংশ্চ তচ্ছক্তিঃ
কৃষ্ণচৈতন্য সংজ্ঞকং ॥

(৩)

ভক্ত মানস হংসায়
সর্ব্বেষাং বুদ্ধি সাক্ষিনে ।
সচ্চিদানন্দ রূপায়
কৃষ্ণায় সততং নমঃ ॥

(৪)

নামচিন্তামণিরূপং নামৈব পরমাগতিঃ
নাম্নঃ পরতরনাস্তি তন্নাম উপাস্মহে ॥

(৫)

জয়তি জয়তি জগন্মঙ্গলং হরের্নাম ।
জয়তি জয়তি জগন্মঙ্গলং হরের্নাম ॥

—০—

হরিনাম মহামন্ত্র

হরয়ে নমঃ

অথ শ্রীহরিনাম মহামন্ত্রঃ প্রারভ্যতে।

ওঁ অস্য শ্রীকৃষ্ণচন্দ্রস্য ষোড়শনাম মহামন্ত্রস্য শ্রীনারদ ঋষিঃ। অনুষ্টুপ ছন্দঃ। শ্রীকৃষ্ণ দেবতা॥ হরে কৃষ্ণ বীজং। হরে রাম শক্তিঃ শ্রীকৃষ্ণ প্রীত্যর্থে হরে কৃষ্ণেতি ষোড়শ নাম জপে বিনিয়োগঃ॥

অথ করন্যাসঃ।

হরে কৃষ্ণ অঙ্গুষ্ঠাভ্যাং নমঃ। হরে কৃষ্ণ তর্জ্জনীভ্যাং স্বাহা কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে মধ্যমাভ্যাং বষট্। হরে রাম অনামিকাভ্যাং হুঁ। হরে রাম কনিষ্ঠাভ্যাং বৌষট্। রাম্ রাম হরে হরে অস্ত্রায় ফট্।

অথ অঙ্গন্যাসঃ।

হরে কৃষ্ণ হৃদয়ায় নমঃ। হরে কৃষ্ণ শিরষে স্বাহা। কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে শিখায়ৈ বষট্। হরে রাম কবচায় হুঁ। হরে রাম নেত্রত্রয়ায় বৌষট্। রাম রাম হরে হরে অস্ত্রায় ফট্।

অথ ধ্যানম্

ত্রিভঙ্গ ভঙ্গিমরূপং বেণুরন্ধ্র করাঞ্চিতং।
গোপী মণ্ডল মধ্যস্থং শোভিত নন্দ নন্দনম্॥

যথা হরিনাম মহামন্ত্রঃ।

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে॥

ইতি ষোড়শকং নাম্নাং কলি কল্মষ নাশনং
নাতো পরতোপায়ঃ সর্ব্ব বেদেষু দৃশ্যতে।
নাম যজ্ঞং মহাযজ্ঞং কলৌ কল্মষ নাশনং
কৃষ্ণচৈতন্য প্রীত্যর্থে নাম যজ্ঞং সমর্পণম্।
ইতি বৃহদ্ভক্তি তত্ত্বসারে শ্রীশ্রীহরিনাম তত্ত্ব সমপূর্ণম্

টিপ্পনী = মন্ত্র খুদিংমক্কী অঙ্গ ৬ (তরুক) খক লৈ। মসিদি (১) ঋষি, (২) ছন্দঃ, (৩) দেবতা, (৪) বীজ, (৫) শক্তিঃ অমসুং (৬) কীলক।

ঋষি = মপোক কয়ারক্তা তপস্যা তৌরক্তুনা পাপ পুম্নমক মাংখ্রদুনা চিত্তশুদ্ধি ওইরবা (বুদ্ধি লুরবা) গুরুগী কৃপাদগী শ্রুতি স্মৃতি শাস্ত্রদা তাকলিবা তত্ত্বজ্ঞান পুম্নমক নীংথিনা খংলবা, ভগবানগী অংশ কলা চংলবা মহাপুরুষশিংবু খংনগনি। ভগবানগী কৃপাদগী ঋষিশিং অদুগী অন্তকরণ (মথন্নায়দা) মন্ত্র অমমম্ ফাউহল্লকই। অদুগুম্বা মরাইবক ফবা "মন্ত্রদ্রষ্টা" অদুবু মন্ত্র অদুগী ফোংদোকফম "ঋষি' কৌই। হরিনাম মহামন্ত্রগী ঋষিদি দেবর্ষি নারদনি। শ্রীমদ্ভগবদ্ গীতাদা ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরি। মসিদি—"দেবর্ষিনাঞ্চ নারদ" মন্ত্রগী তত্ত্ব খংবা ঋষিশিংগী মনুংদা নারদনি। (অধ্যায় ১০।২৬) মন্ত্র অসি আদিকবি ব্রহ্মাদগী নারদ মুনিনা দীক্ষা অমসুং শিক্ষা তৌরকই।

ছন্দঃ = মন্ত্র খুদিংমকপু শক শোনবদা বেদ শাস্ত্রগী মতুং ইন্না মচা খাইনা, অনেম, অন্নাং অমসুং পল্লেপফম নাইনা মন্ত্রগী মথেকশিং

অসিবু মশীং কক্না উচ্চারণা তৌগনি। অরাংববু দীর্ঘ অমসুং গুরু কৌই। অনেম্ববু হ্রস্ব অনসুং লঘু কৌই। ঙাইহাক্তুং পোথাগদবা পোল্লেপফম অত্তুবু "যতি" কৌই। বেদশাস্ত্রদা মন্ত্রবু উচ্চারণ তৌনবা ছন্দঃ তরেৎখক লৈ। মদুদি—(১) গায়ত্রী, (২) উষ্ণিক (৩) অনুষ্টুপ (৪) বৃহতী, (৫) পঙ্‌ক্তি' (৬) ত্রিষ্টুপ অমসুং জগতী। মথক্কী ছন্দ তরেৎ অসিগী মসুংদা হরিনাম মহামন্ত্রদি ময়েক ৮। ৮ শুরক-পদা যতি লৈগদবা অনুষ্টুপ ছন্দঃ নি।

দেবতা—মন্ত্র খুদিংমক্কী মপু ওইবা দেবতা অমমম্ লৈ। হরিনামগী দেবতাদি শ্রীকৃষ্ণনি।

বীজ—নাম ১৬ অমসুং ময়েক ৩২ না শাবা হরিনাম মহামন্ত্র অসিগী বীজ (মরু) দি "হরে কৃষ্ণ" হায়বা নাম অনি অসিনি। ব্রাং চাউরবা স্না খোংনাং অমনা থোইদিং মরুদগী হেন্না পীকলবা খোংনাং মরুদা মশা পুন্নমক মতম অমদি থুপচন্দুনা লৈরম্বগুম্না হরিনামগী কারণ স্বরূপ হৌরকফমদি "হরে কৃষ্ণ" নি।

শক্তি—মন্ত্র খুদিংমক্কী মপাঙ্গল (প্রাণশক্তি) অমমম লৈ। অত্তুনা মন্ত্রবল ওইত্তুনা নামগী সাধকশিংবু কান্নহল্লি। হরিনামগী মন্ত্রশক্তিদি "হরে রাম" নি।

কীলক—গুরু পরম্পরাদগী শিজন্নবকলবা সিদ্ধমন্ত্র খুদিংমক্তা "চৈতন্য শক্তি" অমমম লৈ। মন্ত্রনা মখোম নীংথিনা থোকপা শম্বী অমা ওইরগা মখোম শুমলমদাইদা উচুক অচেৎপা অমদা পুন্দুনা থমলগা শম্বীবু চেলহন্দনা ইংথহন্দুনা অমৃত শুমথবগুম মন্ত্রবু কীলক অসিদা ফাত্তুনা চোকশন্না থমই। হরিনামগী কীলক

অমসুং মন্ত্র চৈতন্যাদি "হরে কৃষ্ণ রাম" হায়বসিনি। শঙ্গোমদা ঘা শিনথুংনা লৈ। অহানবদা শঙ্গোমবু নৈদুনা মাখন চিংলগা মাখন অতুদগী ঘী অমুক শুংলগা বর্ত্তিনা লুপ্তুনা ভগবানদা আরতি কত্তুনা দর্শন ফংজবগুম্ মন্ত্র চৈতন্যনা আত্মজ্যোতি ওইদুনা অন্ত-রাত্মাগী মশক ওইরিবা শ্রীহরিবু দর্শন তৌজগনি। "ষোড়শনাম মন্ত্রেচৈব ষড়াক্ষর সুনিশ্চিতং" (বৃহদ্ভক্তি তত্ত্বসার)।

মৈরিক খুদিংমক্তা মৈজাওদা লৈবা শক্তি পুম্নমক থুপ্তুনা লৈবগুম্না জীবাত্মাদা পরমাত্মাগী শক্তি থুপ্তুনা লৈ। ব্রহ্মাণ্ডগী শক্তিসু পিণ্ডদা (হকচাং) দা থুপ্তুনা লৈ। "যথা পিণ্ডে তথা ব্রহ্মাণ্ডে"। সূর্য্যনরায়ণ অমত্তা ওইরবসু রাশি চক্র তরানিথোইদা থা ১। ১ গী ওইনা শক্তি তোঙান তোঙানবগুম হকচাংগী অঙ্গ ১২ দা (দ্বাদশ তিলক) তৌফমদা শক্তি তোঙান তোঙাননা মন্ত্রগী শক্তি থুপ্তুনা লৈ। তুমদুনা লৈরিবা শক্তি অদুবু হৌদোকপাবু অঙ্গন্যাস কৌই।

শম্না হায়রবদা ইলেকট্রিকা সুইচ হাংলগা থাওমৈ ঙালহন-বগুম্বনি। হকচাংগী হৃদিনচিংবদা জীবনী শক্তিগী কেন্দ্রদা অমসুং খুৎ-শাদা পঞ্চতত্ত্বগী কেন্দ্রদা মন্ত্রগী অঙ্গ শোন্দুনা শোকলগা শক্তি পুম্নমক বিকাশ তৌরকই (ফোংদোকলকই)।

করন্যাস—অশেংবা আসন অমদা মাই নোংপোক অমসুং অৱাং ওন্দুনা ফমলগা আচমন, তিলক প্রাণায়ামনচিংবা নিত্যক্রিয়া তৌরবগী তুংদা য়াংতীংনা ফমদুনা খুবী অনীগী মরূদা খুদোম্বীনা শোক্তুনা "হরে কৃষ্ণ অঙ্গুষ্ঠাভ্যাং নমঃ" হায়না শোনগনি। মথংদা খুবী মতোম্না খুদোম্বী অনীগী পর্ব্ব (তাংময়াইদা) শোক্তুনা "হরে

কৃষ্ণ তর্জ্জনীভ্যাং স্বাহা" হায়না শোনগনি। মথংদা খুৱাইদা শোকপা মতমদা "কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে মধ্যমাভ্যাং বষট্" শোনগনি। অহুদগী "হরে রাম অনামিকাভ্যাং হুঁ" হায়ৱুনা খুনিংথো অনীমক শোকনি। খুৎনাওবী অনী খুবীনা শোকপদা "হরে রাম কনিষ্ঠাভ্যাং বৌষট" শোনগনি। ইকোন কোনবদা "রাম রাম হরে হরে করতল কর পৃষ্ঠাভ্যাং স্বাহা" হায়না শোন্নগা খুৎ-য়েৎ ওইগী খুবম অনী শোকনি। মসিদা করন্যাস মপুংফারে।

অঙ্গন্যাস—খুৎয়েৎকী খুৎশা মঙামক পুন্নপ শম্নরগা হৃদিগী অকুৎপা মফমদা শোক্লুনা "হরে কৃষ্ণ হৃদয়ায় নমঃ হায়না শোনগনি। অহুগী তুংদা "কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে শিখায়ৈ বষট" হায়না শোনহুনা শিখা শোকনি। খুৎ ২ মকনা য়েৎকী অমসুং ওইগী কারল চন্নুনা পাম্বোম মরূ অনীমক শোক্লুনা কবচ শারগা "হরে রাম কবচায় হুঁ" হায়না শোনগনি। ইকোন কোনবদা "হরে রাম নেত্রত্রয়ায় বৌষট" হায়না শোনহুনা মিং য়েৎ ওই অমসুং পীশুম অনাগী কারক শোকনি। অরোইবদা "রাম রাম হরে হরে অস্ত্রায় ফট হায়না শোন্দুনা খুদোম্বী অমসুং খুৎয়াইনা খুপাক্তা য়ৈহুনা মথোল থোকহনগনি। মসিদা অঙ্গন্যাস মপুং ফারে। করন্যাস অমসুং অঙ্গন্যাস লোয়রবগী তুংদা শ্রীকৃষ্ণবু ধ্যান তৌজগনি। হৃদি-মন্দিরদা থম্বাল মনা নিপাল (অষ্টদল) গী মথক্তা য়েৎথংবা শ্রীচরণনা ওইগী মাংদা কারল চনহুনা য়েৎকী খোংবীনা ভার পীহুনা ত্রিভঙ্গ শাথেক অহুম থোক্না লেপ্লুনা মিচিনা ওইরোমদা ঋরূপ মিৎয়েং তারগা চিনবান্দা মুরুলী খোংবা অমসুং শ্রীমতীনচিংবা গোপীকাশিংগী মরাইদা

ভাঙ্গোইবীরিবা শ্রীব্রজরাজ নন্দনবু ধ্যান তৌজগনি। মানসিকনা (পুক্লিংতমা ভাবনা) পূজা কচ্চগনি। অদুগী তুংদা-হরিনামব জপ তৌজগনি, পুক্লিংতনা জপ তৌববু "মানসিক জপ' কৌই। চিনবান্দি শেংলগা রাম্না শোন্না মী তাহন্দনা স্বর পীকনা শোনববু "উপাংশু" কৌই। অদুগা খোঙ্গেল থোক্না লাউনা শোনবব "বৈখরী" কৌই। মন্ত্র শাস্ত্রদা-মানসিকনা মকোকনি। উপাংশুনা ময়াইনি অদুগা বৈখরীনা অতোনবনি। তৌই গুম্বশুং হরিনামদি লোন্না শোল্লে "মহা মন্ত্র"নি ফোংনা শোল্লে নাম সঙ্কীর্তন"নি। অতৈ মন্ত্রশিংদি মানসিকনা শকক লিশিং অমা, উপাংশুনা শকক চামা বৈখরীদগী হেল্লি হায়না তাকই। অরোইবদা শ্রীকৃষ্ণগী চরন্দা জপ তৌজরিবা মশিং অদু কচ্চগনি।

নামচিন্তামণিঃ কামঃ নামৈব পরমা গতিঃ।
নাম্নঃ পরতরো নাস্তি তস্মান্নাম উপাস্মহে॥

চিন্তামনিগীমশক ওইরবা (নিংজবাপুম্বা থুংহনবা তম্ফা খুদোল পীরিবা) শ্রীহরিনামত্না ঐগী চুংজফম্ন অথোইবনি। নামদগী অহেনবা অমা লৈত্রে মরম অদুনা শ্রীহরিনামবু ঐনা উপাসনা তৌজরি। নীংজরি॥ শ্রীগুরু অমসুং শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্যবু পেন্নবগীদমক্তা নাম অদু সমর্পণ তৌজগনি।

নামযজ্ঞং মহাযজ্ঞং কলৌ কল্মষ নাশনং।
শ্রীকৃষ্ণচৈতন্য প্রীত্যর্থে নামযজ্ঞং সমপূর্ণম্॥

কলিগী পাপ পুম্নমক মাংহনবা ওস্বা নামমহামন্ত্র অসিবু শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যনা প্রেমবীজগী মহামন্ত্র সমর্পণ তৌরকখি (কচ্চরি) ॥

মন্ত্রতস্তন্ত্রতশ্ছিদ্রং দেশকালার্হবস্তুতঃ

সর্ব্বং করোতি নিশ্ছিদ্রং নাম সংকীর্ত্তনং তব ॥

শ্রীমদ্ভাগবত ৮।২৩।১৬

মন্ত্র শোনরবা লোইবা, ক্রমভঙ্গ (অর্থাৎ মদাও কাইবা) [illegible] চাদবগী দোষ, মতম চাদবগী [illegible] পোথোকপা অমসুং ওমটৈনবগী দোষ পুম্নমক শ্রীনাম কীর্ত্তনদগী ছিদ্রা পুরক্রমনা কোকহল্লি।

কৃষ্ণেতি চিন্তা বিহীনং মম হৃদয় মহো [illegible]।

ক্ষন্তব্যো মে পরাধ কলিকলুষ হর শ্রীহরে কৃষ্ণরাম

শ্রীকৃষ্ণবু নীংশিংবনা [illegible] [illegible] [illegible], [illegible] ঐগী থমোয়নি। কলিগী পাপ পুম্নমক মাংহনবা ওস্বা "হে হরে! কৃষ্ণ রাম"! ঐগী হৈরাল পুম্নমক ওাকপীয়ু॥

কলি সন্তরণ-উপনিষদ

দ্বাপর যুগ লোইরমদা দেবর্ষি নারদনা প্রথম মোনী ব্রহ্মাগী নাক্তা চংলগা [illegible] প্রনাম তৌজনা হংজখি। হেঃ গুরুজন! কলিযুগ ঘোরকদোরে। যুগ অসিদা কররম সাধনা তৌবগা পাপ পুম্নমক লোক্নবা শ্রীহরিগী [illegible] [illegible] ওমপাদগেদ [illegible] হেংহুনা সৃষ্টিকর্ত্তা ব্রহ্মানা তাকপীরকই। হেঃ দেবর্ষি! কলি কৌবা

যুগ অসিদদি শ্রীহরিগী নাম শকচশোনজরগা ভক্তি অমসুং মুক্তি ফংবা ঙমগনি। দেবর্ষিনা অমুক্তা হংজখি। ভগবন্! করম্বা শ্রীহরিগী নামনো তাকপীয়্। প্রজাপতি ব্রহ্মানা তাকপীখি।

হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে।
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে॥
ইতি ষোড়শকং নাম্নাং কলিকল্মষ নাশনম্
নাত পরতরোপায় সর্ব্ব বেদেষু দৃশ্যতে॥

হরে রামদগী হৌরগা কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে"না লোম্বা নাম তরাতরাক অ্সিনা কলিগী পাপ মাংহনবা "তারক ব্রহ্মনাম" কৌই! মসিদগী হেনবা অতৈ কলিগী উপায় ওইবা নাম অমা বেদ শাস্ত্রদা উবা ফংদ্রে। দেবর্ষিনা অমুক্তা হংজখি। গুরুদেব! নাম অসি শোনবদা করম্বা বিধি-নিষেধ (য়াথ অমসুং য়াদবা নিয়ম লৈবগে? ব্রহ্মানা খুমলকখি। "নাস্তবিধিরিতি" খোইদোকপা বিধি লৈতে।

স্বামীশিবানন্দ টীকা—সাধক অমনা নাম অসিবু কোটি অহুম মথাই ৩৫০০০০০০০ রক জপ তৌজরবদি পাপ পুম্নমক কোকপা ঙমই। হুমিৎ খুদিংগী লিশিং ২। ২ জপ তৌরগা চহি মঙামখাইগী মনুংদা কোটি অহুম মথাই শুগনি। মীওইবগী বুদ্ধি লৌশিংনা য়েৌবা ঙমলরোইদবা যুক্তি তর্কগী রাংমদা লৈবা নাম জপকী মহিমানি॥

জীব খুদিংমক্কী হৃদি মন্দিরদা শ্রীহরিনা অন্তর্যামী নিত্য-স্বরূপ ওইদুনা লৈ হায়বসি শ্রীমদ্ভাগবত, গীতা, শ্রুতি অমসুং স্মৃতিনচিংবা শাস্ত্র পুম্নমকনা প্রমাণ তৌরি। জীব খুদিংমকী কলা ১৬ থক লৈ। মহুদি জ্ঞানইন্দ্রিয় ৫, কর্ম্ম ইন্দ্রিয় ৫, পঞ্চপ্রাণ ৫

অমস্তুং অন্তকরণ শুপ্পা তরাতরুক অসিবু কলা কৌই।

(ক) জ্ঞানইন্দ্রিয়— (১) শ্রবণেন্দ্রিয় (তাবঙন্নবা) (২) স্পর্শনেন্দ্রিয় (শোকপা ঙন্নবা) (৩) দর্শনেন্দ্রিয় (উবাঙন্নবা) (৪) রসনেন্দ্রিয় (মহাও খংনবা) অমস্তুং ঘ্রানেন্দ্রিয় (মনম্ খংনবা) ।

(খ) কর্ম্মইন্দ্রিয়— (১) বাক (ৱা ঙাংনবা) (২) পাণি (খুৎ) (৩) পাদ (খোং) (৪) পায়ু (মাংথোরুবা ইন্দ্রিয়) অমস্তুং (৫) উপস্থ (ঈশিংথোং)

(গ)—প্রাণ, অপান, সমান উদান অমস্তুং ব্যান।

(ঘ) অন্তকরণ (মন + বুদ্ধি + চিত্ত + অহংকার)

মথক্কী জীবগী কলা ১৬ (তরাতরুক) অসিগা লোয়ন্না শ্রীহরিনা পোকপদগী মুক্তি ওইবা ফাউবদা জীব লীলা শান্নরি। মুমিৎকী মণ্ডালবু গ্রহ পুম্নমকনা পুবগুম আত্মাগী চৈতন্য শাক্তিবু কলা তরাতরুক্তা চংদুনা লৈরি। তৌইগুম্বশুং মায়াগী গুণ অহুম হায়বদি সত্ত্বঃ রজঃ অমস্তুং তমঃ গী ঙকলবা শক্তিনা ইন্দ্রিয় কলাশিং অসিদা খুমহৎখিদুনা 'অপাম্বা (কাম), অশাওবা (ক্রোধ) লোভ (মিহৌবা) শুমহংপা (মোহ), মাৎসর্য্য (অচাওরোন কাবা) অমস্তুং মদ (ময়াইকাবা) তরুকনা শাবা অমোৎপা (মল) অমস্তুং পুক্নিং তথক তথকপা (বিক্ষেপ) অমস্তুং আত্মাগী স্বরূপ কাওবা (অবিদ্যা) না খুমহত্তুনা থমখি। মরম অসিদগী হৃদিবৃন্দাবনদা লেংদনা লৈরিবা শ্রীহরিবু জীবনা কাওখি। শ্রীহরিবু জীবনা আত্মাগী স্বরূপ নীংশিংলকপা মতমদা মং মংলিবা মীনা মংনি খল্লকপা মতমদা য়াম্না থুনা মিকপ থোকপগুম্ অমস্তুং মুমিৎ থোকলকপদা অমম্বা পুম্বা

মাংখিবগুম কলা তরাতরক্তা লৈরমলিবা অমম্বা পুন্নমক কোকহল্লি। মরম অসিদগী হরিনামনা আত্মাগী স্বরূপ অত্থব নিংশিংনবগী দমক্তা অথোইবা প'ম্বৈ অমনি। ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা উদ্ধবতা তাকপীখি— হে উদ্ধব! শব্দব্রহ্মনা (নাদ)গী মশক ওইনা জীবগী ষট চক্রদা থুপ্পুনা লৈ। অহানবদা "অনাহত নাদ" গী মশক লৌতুনা মূলাধার চক্র (পৃথি তত্ত্বদা) "পরা বাণী" হায়না কৌতুনা লৈ। বিচার পুন্নমক্কী হৌরকফমনি। মতুংগী মথংদা মনিপু'ক চক্রদা "পশ্যন্তী বাণী" হ য়না কৌতুনা কাখংলকই। শব্দব্রহ্মাগী অব্যক্ত স্বরূপ (ফোংক্তিদ্রবৈগী) অবস্থানি। অতুংগী তুংদা হৃদিপদ্মগী অনাহত চক্রদা "মধ্যমা বাণী" কৌতুনা মনোময় কোষতা চংশনখি। শব্দগা পুক্নিংগা তিন্নরকই। শব্দব্রহ্মাগী মশক মওং মতৌ অমসুং মচুনচিংবা খাইরকই। যোগী অমসুং ভক্তনচিংবনা ধ্যানদা তাবা ঙমলকই। পশ্যন্তী অমসুং মধ্যমা য়ৌরকপদা থরায় পানবা পুন্নমক্কী লোল পুন্নমক চপ মান্নৈ। প্রান অমসুং মনগী মশক ওইনা শব্দনা ফোংদোকলকই। ইকোন কোনবদা "বিশুদ্ধাখ্য চক্র"দা কাখৎল-কলগা বাকইন্দ্রিয়গী মতেংনা—ষোড়শদল--(থম্বাল লৈনা (দল) তরাতরক্তা) ষোড়শ মাতৃকাগী স্বর ময়েক (বর্ণ) ১৬ তরাতরক্তা য়ৌনরকই। দল খুদিংমক্তা সপ্ত স্বর—(১) ষড়জ, (২) ঋষভ (৩) গান্ধার, (৪) মধ্যমা (৫) পঞ্চম (৬) ধৈবত অমসুং (৭) নিষাদ (সা, ঋ, গ, ম, প, ধ, নি) গী হ্রস্ব, দীর্ঘ প্লুত গ্রাম অহুম খৌনাওদা ফোংদোকরকই। মসিবু 'কণ্ঠস্বর' হু কৌই। মতুংগী মতুংদা লৈয়েংনা খত্তুনা "উচ্চারণ" তৌরকই। মতম অসিদা বৈখরী বাণী

অসি থোরকই। অত্থুগী তুংদা ব্রহ্মাণ্ডগী শব্দ অসিগা তিনখিহুন। শব্দগী কম্পন অমা থোক্লু না। ঈথক ঈপোম অমা পাক্লা শব্দো-কখি অমসুং মহাকাশতা তিনখি। বৈখরী শব্দ অসিনা খ্বাইদগী হেন্না পৌরবা অমসুং হৌরবা নাদব্রহ্মগী শাইওন (রূপান্তর) নি। সপ্ত স্বূর অমসুং হ্রস্ব দীর্ঘ, প্লূত য়োনা শকপা শোনবা ঙম্বসি মীওইবগী দেহ যন্ত্র অসিতনি। অতে জীবনদি ঙমদে। খ্বাইদগী হেন্না কূপলবা শব্দব্রহ্মগী কারণ স্বরূপতি পরা বাণীনি। মথক্তা শীংথাংখ্রিবা চক্র মঙা অসিদা নাদব্রহ্মনা ফোংদোকলূবা মরমনা মীওইবগী দেহযন্ত্র অসিবু "পাঞ্চজন্য" হায়নসু কৌই। হৃদি বৃন্দাবনদা অন্তর্যামী ওইদুনা লৈরিবা শ্রীহরিনা ফুৎকার তৌফমনি। মূলাধারদা পরা, মনিপুরক চক্রদা পশ্যন্তী; হৃদিপদ্মদা মধ্যমা অমসুং বিশুদ্ধ চক্র (খৌরিদা) বৈখরী ওইনা নাদব্রহ্মগী ফোংদোকফমনি। মৈনা অকংবা শিংদা শিনথুংনা অশাবা ওইনা হান্না লৈরগা শিং অকংবা অনী তক্লবদা মৈরিক থোরকই। মৈরিক্তা মুংশিৎ চংশনখ্রগা মৈরি ওল্লকই। মৈরিদগী মৈজাও ওল্লকই। মতৌ অসুমনা মৈশানা পরা, মৈরিকনা পশ্যন্তী; মৈরিনা মধ্যমা অমসুং মৈজাওনা বৈখরী বাণীগা চাংদমনবা য়াই।

শব্দব্রহ্ম স্তত্বর্বোধং প্রাণেন্দ্রিয় মনোময়ং।
অনন্ত পারং গম্ভীরং দূর্বিগাহ্যং সমুদ্রবৎ॥

ভাগবত ১১ স্কঃ। ২১। ৩৬

অর্থ—শ্রীকৃষ্ণনা উদ্ধবতা তাকপীখি। হেঃ উদ্ধব! শব্দব্রহ্মগী তত্ত্ব খংনবা হোৎনবা য়াম্না লুবনি। প্রাণ, ইন্দ্রিয় অমসুং পুক্নিংগী

মশক ওইনা লৈবনি। মপাল নাইদ্রবা সমদ্রুগুম্না লুবনি।

যথোর্নাভি হৃদয়াদূর্ণামুদ্ভ্রমতে মুখাৎ।
আকাশাদ্ ঘোষবান্ প্রাণো মনসা স্পর্শরূপিনা॥
ভাগবত ১১। ২১। ৩৮

অর্থ—ভগবান হিরন্যগর্ভনা (সুত্রাত্মা) না শব্দব্রহ্ম অনাহত শব্দ অমসুং প্রান ওইনা ফোংদোকপীরকই। মিঃ কৌবা তিন্না মবুক্তা থুগ্নুনা লৈবা লংলা অতু মচিন্দগী থোরকলগা লাং শাদুনা থনমলগা মচিন্দা অমুক য়োংশনখিদুনা মবুক্তা থমখিবগুম হৃদয়াকাশতগী শব্দবু ফোংদোক্নুনা বৈখরী শব্দ ওইহলমলগা অমুক শব্দগী হৌরকফমদা থুপচনখি॥ শব্দব্রহ্ম অমদি প্রণব ওঁকারগী কলা ১৬ নি। অরোইবা অপোবা কলানা বৈখরীনি। নাদবু অর্দ্ধচন্দ্র ৺ সু কৌই। আধিভৌতিক (তাইবংপানগী পোৎশক্তা নোংথাং হান্না কুপলগা নোং কোন্না খোংলকই। নোং খোংলিবদু নাদ তত্ত্বনি। অদুগা নোংথাং কুপ্পনা বিন্দু তত্ত্বনি। মতৌ অসিগুমনা নাদ বিন্দুনচিংবা শব্দব্রহ্মগী কলা ১৬ থক লৈরি। হরিনামগী নাম অমমমনা শব্দ ব্রহ্মগী কলা অমমমনি।

নামৈব পরমোধর্ম্ম নামৈব পরমস্তপঃ।
নামৈব পরমো বন্ধু নামৈব জগতাং গতিঃ॥
(আদি পুরান)

অর্থ—হরিনামতনা অথোইবা ধর্ম্মনি, হরিনামতনা অথোইবা তপনি, হরিনামতনা অথোইবা মরূপনি। নামতনা জগৎ সংসারগী অথোইবা পাম্বৈনি।

কলিযুগকী মহাসাধন

দ্বাপুর যুগ লোয়রমদাইদা নোংমা নৈমিষ্যারণ্য বনদা তপস্যা তৌহুনা লৈবা মুনি ঋষি ময়ামগী অচৌবা সভা অমা ফমখি। মহুদা ধর্ম্মগী সাধনা কয়ামুক্কী মরমদা নৈনখি। ময়ামগী মরক্তগী অমনা সভা অদুদা হংজখি। মহুদি—মীপুম খুদিংমক্না পাংথোকপা ঙম্বা, খ্বাইদগী হেন্না শুদোংচাবা, মদুগী মহৈদি অরেম্বদা খক মাংদবা ধর্ম্মগী সাধনা করম্বা অমা লৈবগে ? ব্রাহং অসিগী অরেপ্পা পাউখুম (মীমাংসা) খংদ্রবুনা শ্রীকৃষ্ণদ্বৈপায়ন বেদব্যাসকী মফমদা চত্তুনা হংলুসি হায়না লেপ্পখি। ময়াম পুম্নমক পুল্লপ হৌদুনা বেদব্যাস মুনিগী আশ্রমদা থুংখিরম্মী। মতম অদুদা ব্যাসদেবদি গঙ্গাস্নান তৌরম্মী। অহানবা গঙ্গাদা ঈরূপ্পা মতমদা "কলিযুগ ধন্য" ! হায়না শোল্লগা লুপখি। মথংদা শূদ্রধন্য হায়না শোল্লগা অমুক লূপখি। অহুম শুরকপদা ধন্যা নারী ! হায়না শোনহুনা লুপখি।

শূদ্রঃ সাধুঃ কলিঃ সাধুঃ
যোষিতসাধুধন্যাস্তা স্তাভ্যো ধন্যতরোঽস্তিবা।

বিষ্ণুপুরাণ অং ৬ অধ্যায় ২ শ্লোক ৬। ৯

অদুগী তুংদা ময়ামদা চংশলক্তুনা ময়াম লাকপগী মরম হংখি। খ্বাই পুম্নমক্কী মহুৎশিন্দুনা অমনা—হংজখি। হেঃ মুনিদেব ! ঙসি স্নান তৌবীবদা ধন্য কলিযুগ ! ধন্য-শূদ্র ! ধন্যা নারী ! হায়দুনা শোনবীরিবসিবু মরম করিগীদমকনো খংজনীংই। মদুগী পাউখুমদা ভগবান বেদব্যাসনা তাকপীরকই।

যৎকৃতে দশভিবর্ষৈস্ত্রেতায়াং হায়নেন যৎ
দ্বাপরে তমাসেন হ্যহোরাত্রেন তৎকলৌ।
বিষ্ণু পুরান

অর্থ—সত্যযুগতা চহি তরাচুপ্পা যজ্ঞদান অমসুং তপস্যা তৌবত্থ ত্রেতাদা চহি অমগা মায়গনি। অদুগা দ্বাপর যুগতদি থা অমত্তংগা মায়গনি। অদুদগী কলি কৌবা যুগতদি নোংমতং অহিং মুংখিদনা চুপ্পা তপস্যা তৌবগা মায়গনি।

ধ্যায়ন কৃতে যজনযজ্ঞৈস্ত্রেতায়াং দ্বাপরে অর্চ্চন।
যদাপ্নোত্তি তদাপ্নোতি কলৌ সংকীর্ত্তনাৎ কেশবম্॥
বিষ্ণুপুরান ৬।১।২৭

অর্থ—সত্য যুগতা ধ্যাননা, ত্রেতাদা যজ্ঞ, দ্বাপরদা পুজা অমসুং কলিদদি হরি সংকীর্ত্তন তৌরগা শ্রীহরিবু ফংজগনি। মরম অদুনা

কৃতে যদ্ ধ্যায়তো বিষ্ণুং ত্রেতায়াং যজতো মখৈঃ।
দ্বাপরে পরিচর্য্যায়াং কলৌ তদ্ধরি কীর্ত্তনাৎ।
ভাগবত ১২।৩।৫২

অথ—সত্য যুগতা শ্রীহরিবু ধ্যাননা, ত্রেতাদা যজ্ঞনা অমসুং দ্বাপরদা সেবানা অমসুং কলিদদি হরিনাম কীর্ত্তননা ফংজগনি।

কলিং সভাজয়ন্ত্যার্য্যা গুণজ্ঞা সার ভাগিনঃ।
যত্র সংকীর্ত্তনেনৈব সর্ব্ব স্বার্থোহপি লভ্যতে।
ভাগবত ১১ স্কন্ধ। ৫। ৩৬ শ্লোক

অর্থ—কলিযুগতদি স্বার্থ পুরমক হায়বদি (ধর্ম অর্থ অমসুং কাম) অমসুং পরমার্থ হায়বদি ভক্তি মুক্তি পুরমক হরি সংকীর্ত্তন

কৌবা সাধনানা ফংবা ওমগনি! মরম অসিদগী যুগ অসিগী মহিমা মগুণ থংবা জ্ঞান লৈবা, মচি ওইবা রাকম লৌশনবা ওম্বা (সারগ্রাহী) ওইবা অথোইবা মাহপুরুষশিংনা হরি সংকীর্ত্তনবু লূনা তৌনৈ।

হরের্নাম হরের্নাম হরের্নামৈব কেবলম।
কলৌ নাস্ত্যেব নাস্ত্যেব না।

বৃহন্নারদীয় ২।৪১।২৫

অথ—কলি কৌবা যুগ অসিদা হরিনামতনা হরিনামতনা হরিনামতনা লেপ্পমক অথোইবা গতি (পাম্বৈ) ওইগদবনি। অতে পাম্বৈদি লৈতরে। লৈতরে লৈতরে॥

শ্রদ্ধয়া হেলয়া নামরটন্তি জন্তব
তেষাং নাম সদা পার্থ বর্ত্ততে হৃদয়ে মম॥

পাণ্ডবগীতা

অর্থ—হে! অর্জ্জুন! কনাগুম্বা ভক্তশিংনা শ্রদ্ধাভক্তিগা লোয়ননা হরিনামবু শৌনজরবা নত্রগা ইথো থোওইদনা ঐগী নামবু শোল্লবস্থ মহাকপু কৃষ্ণ ঐগী থম্মোয়দা কাওবা লৈতরে।

কৃষ্ণ কৃষ্ণেতি কৃষ্ণেতি যো মাং স্মরতি নিত্যশঃ
জলং ভিত্বা যথা পদ্ম নরকাদুদ্ধরাম্যহং।

পাণ্ডবগীতা

অর্থ—কৃষ্ণ অহুনা হরে কৃষ্ণ হায়নরগচিংবা ঐগী নাম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নুমকগী [illegible] ভক্ত অহুবু লানবীগনি।

গো কোটিদানং গ্রহণেষুকাশী মাঘে প্রয়াগে যদি কল্পবাসঃ
সুমেরু সমানং সুবর্ণদানং নহি নহি হরিনাম সমানং॥

বৃহন্নারদীয় পুরান্

অর্থ—মখোম থোকপী শল অমোম কোটি অমা দান তৌবা, সূর্য্যচন্দ্র গ্রহনদা কাশীদা স্নান তৌবা মাঘ (রাকচিং থাদা) প্রয়াগতা স্নান তৌবা অমসুং তীর্থদা চহি কল্প অমা লৈবা অনসুং স্নানা চিংডুম অমা দান তৌবগা হরিনামগা চাংদমনবা য়াদে। হরিনামগী গুণনা হেল্লি।

হরিভক্তি পারা যেচ হরিনাম পরায়ণাঃ
দূর্বৃত্তা বা সুবৃর্ত্তা চ তেভ্য নিত্যং নমো নমঃ।

বৃহন্নারদীয়

অর্থ—হরি ভক্তিদা মপুংক্লিং লুপচহুনা হরিনামদা মায় ওনশল্লবা মখোই অদো অফবা পুকচেল চেনবা ওইশনু নত্রগা ফত্তবা পুকচেলসু চেনশনু নারদ এৗনা মতম পুম্নমক্তা খুরুমজরি॥

কলিযুগতি ধর্ম্মগী প্রভাব য়াম্না হন্থরকলগনি! শুপ্নগী ধর্ম্মগী শাদ অমত্তা ঙাইশল্লকগনি! কলিগী মীওইদি পুনসি তোল্ল। অনা অয়েক খুদোংথিবা য়ামই। হান্নগী যুগতা বেদ শাস্ত্রশিংদা তাকপীরম্বা ধর্ম্মগী সাধনা অমত্তা নীংথিনা পাংথোকপা ঙমলররোই। অদুমকপু হরিনাম শক শোনজরগা মপক্কী যুগশিংদা ধর্ম্মগী সাধনাশিংনা ফংখ্রি-বা পুম্নমক ফংবা ঙমগনি। মরম অসিদগী "ধন্য কলিযুগ" হায়বনি। অদুগা ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় অমসুং বৈশ্য হায়দুনা লৈরিবা দ্বিজাতিশিংনা মশামশাগী স্বধর্ম্ম ঙাকপসু ঙমশল্লকরোই। অদুগা শূদ্রশিংদি সেবাদনা

মখোইগী স্বধর্ম্ম ওইবনা থক কাইরোই। মরম অসিনা শূদ্রধন্য! হায়বনি। মুপীস্থ বেদগী অধিকার লৈতে। মপুরোইববু সেবা তৌজবনা মখোইগী স্বধর্ম্মনি। কলিগী যুগধর্ম্মদি ব্রাহ্মণ, ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র মুপী নহা অভাং থাক্তনা হরিনামদা আশ্রয় তৌজরগা পাপ পুম্নমক কোকচদুনা ভক্তিমুক্তি তানবা ওমগনি। হরিনামবু শক শোনবা অমস্তং জপ তৌজবনা অখোইবা সাধন অমা ওইররগনি॥ মরম অসিনা ঐখোই পুম্নমক হরিমাম মহামন্ত্র অসিদা চংজাস॥

নাম রহস্য

তজ্জপস্তদর্থভাবনম্।
(যোগসূত্র ১।২৮)

হরিনামগী মনুংদা ময়েক ৩২ অমস্তং নাম ১৬ অসি "হরে রাম কৃষ্ণ" হায়বা নাম অহুম অসিনা হন্না হন্না লেংহনা নাম মালা অসি মপুং ফাহনবনি। নাম অমমমনা কোংদোকলিবা অমস্তং থংহল্লিবা অর্থশিং অমদি নাম অহুগী মহিমা শীংথাহনা লোয়বা ওস্বা নত্তে। অহুমকপু মুনি ঋষিশিংনা শাস্ত্রদা লেংহুনা থম্বীরম্বা নামগী তত্ত্বজ্ঞান থরদং থনগৎচরগা লাইরিকমচা অসিদা উচ্চরি। "হরে" হায়বা নাম অসি খাইদোকলগা হ+র+এ নি। ময়েকশিং অসিনা থংহল্লিবদি—

হকারস্তু স্মৃতশ্রেষ্ঠশিবঃ সাক্ষাৎ ন সংশয়ঃ
রেফস্তু ত্রিপুরা দেবী দশমূর্ত্তি ময়ী সদা।
একারং চ ভগংবিদ্যাৎ সাক্ষাৎ যোনীতপোধন।
রাধাতন্ত্র

হেঃ সুত অথোইবা! হগী অর্থনা মহেশ্বর' রেফকী অর্থনা মহামায়া, (আদ্যাশক্তি মূলপ্রকৃতিবু) থংনগনি। হরে হায়বগী অর্থদি শিবশক্তিনি হায়বদা করিমন্তা চিংনফম লৈতে।

সর্ব্ব তীর্থময়ী গঙ্গা সর্ব্বদেবোময় হরি ॥

সংসারগী পাপ পুন্নমক মাংহনবা ঙম্মী হায়বদগা "হরি" কৌই। জীবগী অজ্ঞান-(মায়া)বু মাংহনবা ঙমই হায়বদগীসু হরি কৌই। জ্ঞান স্বরূপ ওইবা মহেশ্বরবুসু হরি কৌই। "দূর্গতি নাশিনী দূর্গা" অরা অনা খুদোংথিবা পুন্নমক মাংহল্লি হায়বদগীসু দূর্গা কৌই। অমম্বা মশক ওইবা তমোগুণবু মাংহল্লি হায়বদগীসু শ্রীসূর্য্যনরায়ণবু "হরি" কৌই। য়েথাই থিংগাইবা পুন্নমকপু মাংহনবা সিদ্ধিদাতা গণেশপুসু "হরি" কৌই। মরম অসিদগী "হরে" হায়বা নাম অসিনা সনাতন ধর্ম্মগী পঞ্চ দেবতা--শ্রীগণেশ, সূর্য্য, বিষ্ণু, শিব অমসুং দূর্গা মঙামকপু থংনগনি। (স্বামী সিতারামদাস ওঁকারনাথ)

রাম হায়বা নাম অসি ময়েক থাইদোকলগা "র+অ+ম" হায়বা ময়েক অহুম অসি থোমকই।

রকারো অনলবীজং স্যাত্তে বাড়বাদয়ঃ
কৃত্বা মনোমলং সর্ব্বং ভস্মকর্ম্মং শুভাশুভম্।
অকার ভানুবীজং স্যাদ্বেদ শাস্ত্র প্রকাশকম্।

নাশয়ত্যেব সদ্দীপ্তা যাবিদ্যা হৃদয়ে তমঃ।
মকারশ্চন্দ্র বীজং চ সদম্বু পরিপূরনম্
ত্রিতাপং হরতেনিত্যং শীতলত্বং করোতি চ
রকারো হেতু বৈরাগ্যং পরমং যচ্চ কথ্যতে।
অকার জ্ঞান হেতুশ্চ মকারভক্তি হেতুকম্॥
(গায়ত্রী রহস্যম্ যোগী যাজ্ঞবল্ক)

রাম হায়বা শ্রীহরিগী নাম অসিনা "রং" না অগ্নিগী বীজ মন্ত্র (মৈগী মিংথৈ) থংনগনি। মৈনা শিংপুম্নমকপু চাকথেক্নুনা উৎ ওলহনবগুম শ্রীহরিনা নামশোনজরিবা ভক্ত অমগী পাপ পুম্নমক মাংহনবী। "অং" না সূর্য্যগী বীজমন্ত্রনি। মুমিৎনা সংসারগী অমম্বা পুম্বা মাংহনবগুম্ জ্ঞান অমসুং বিজ্ঞাননা অজ্ঞানবু মাংহল্লি। "মং" চন্দ্রগী বীজনি। অমৃত চেল্লবা লুরবা জলতত্ত্বসু থংনগনি অদুগা পুক্নিংগী মপুবুসু থংনগনি। ত্রিতাপপু মাংহনখ্রবগী ভুংজা পুক্নিংদা শান্তিঃ পীবীবা শ্রীহরিবু থংনগনি। অমদি রকারনা বৈরাগ্য বিষয় চিন্তাবু থাদোকলগা ঈশ্বরদা হাপ্পবু থংনগনি। অকারনা জ্ঞান অমসুং মকারনা ভক্তি সাধানাবু থংনগনি।

জীহ্বা মূলে স্থিতোদেব সর্ব্বতেজময় অনলঃ
তদগ্রে ভাস্করশ্চন্দ্র স্তালুমূলে প্রতিষ্ঠিতঃ॥

অর্থ—শব্দগী উচ্চারণ তৌনবা লৈয়েংগী মখোংদা অগ্নিদেব লৈতোলদা সূর্য্য অমসুং তালুমূল খোনাওদা চন্দ্রদেব লৈ। রাম হায়বা নাম অসিনা শব্দ পুম্নমক্কী শক্তিবু থংনগনি। রাম হায়বা নাম অসি শোনজবদা অীওইবগী দেহদা থুগুনা লৈরিবা মৈ, মুমিৎ

অমসুং থাগী শক্তি অহুম্মক হৌরকই। রকারনা সঞ্চিত কর্ম্মফল পুন্নমকপু মাংহল্লি। অকারগা প্রারব্ধ কর্ম্মফলবু রক্ষা তৌবী অমসুং ঙাকপী। অমসুং মকারনা ক্রিয়মান--হৌজিক হৌজিক তৌরিবা কর্ম্মগী ফলবু ধর্ম্মগী সাধনা ওলহনবী। মরম অসিনা রাম হায়বা নাম অসিনা ফত্তবা কর্ম্মফলমখৈবু মাংহনবী।

রমন্তে যোগিনোহনন্তে নিত্যানন্দে চিদাত্মনি
ইতি রাম পদেনাসৌ পরং ব্রহ্মাভিধীয়তে॥
শ্রীরাম পূর্ব্বতাপনীয়োপনিষদ

হৌফম লোয়ফম অরেপ্পা লৈতবা (অনন্ত) ওইবা ময়ামনা খুমহৎপাঙমদবা (শুদ্ধ, বুদ্ধ, নিত্য ওইবা) বিকার লৈতবা (মশক হোংদবা) জ্ঞানগী মশক ওইবা যোগীশিংবু পেলহনবা ঙম্বা পরব্রহ্মবু "রাম" হায়বা পদ অসিনা খংনগনি।

ইশাগী নাপল ইন্দ্রিয় তরাগী মপু-বু মকোক তরা পানবা "অহংকার" বুসু খংনৈ। রজোগুণ অমসুং তমোগুণবু মাংহল্ল সত্ত্ব-গুণবু য়োকখৎপীবা অতুগুমনা রাবন অমসুং কুম্ভকর্ণনচিংবা হিংচাবা (আসুরিক সম্পৎমখৈ) মাংহল্লগা সত্ত্বগুণ বিভিষণবু য়োকপীবাবুসু রাম হায়বা শব্দনা খংহল্লি।

হরে কৃষ্ণ "কৃষ্ণস্তু ভগবান্ স্বয়ং" ভাগবত ১। ৩। ২৭ ভগবান শ্রীহরিবু কৃষ্ণ হায়রগা খংনগনি। ঈশ্বরগী অবতার পুন্নমক ইবুংঙো মহাক্কী অংশ, কলা ঙাক্তনি। পুন্নমক্কী হৌরকফম অমসুং তিনফমনি। মরম অতুনা শ্রীকৃষ্ণবু সর্ব্বেশ্বর, সর্ব্বামূলাধার পুরুষোত্তম কৌই।

কৃবিভূর্বাচকঃ শব্দ নশ্চ নিবৃতিবাচকঃ।
তয়োরৈক্যং পরংব্রহ্ম কৃষ্ণ ইত্যভিয়তে॥
গোপাল পূর্ব্বতাপনীয়োপনিষদ

অর্থ—কৃষি হায়বা শব্দ অসিনা ভূমিবাচক (সর্ব্বাধারত্ব পুন্নমক ধারন তৌবা) নঃ চ নিবৃত্তিবাচক (ব্রহ্মবাচক আনন্দ স্বরূপপু) খংনগনি। অংশ অনি অসি তিন্নরগা পরংব্রহ্ম হরিব খংনগনি।

কর্ষয়তি আত্মনি সর্ব্বলোকান্ ইতি কৃষ্ণ
অথবা কর্ষয়েৎ সর্ব্বজগৎ স্থাবরজঙ্গমম্
কালরূপেন ভগবান স্তেনাথং কৃষ্ণ উচ্যতে।

বৃহৎ গৌতমীয়তন্ত্র

ময়োল পুন্নমক্তা লৈরিবা অচৎ--চত্ত জগৎ পুন্নমকপু মঙোন্দা চিংশন্দুনা কাল (মতম) গী মশক ওইদুনা লৈরিবা অত্বু ভগবান কৃষ্ণ কৌই।

নুমিৎ থানচিংবা গ্রহ উপগ্রহ অমসুং মশীং লাকঙমদ্রবা থরাল মিচাকতগী হৌরদুনা উফুল মরিক অমা ফাউবা আর্কষণ শক্তি অমনা চিংশন্দুনা থমলি। ব্রহ্মাণ্ড পুন্নমকপু মহাক্কী কেন্দ্রদা চিংশন্দুনা থমলিবা পুন্নমক্কী নিয়ন্তা (নোংদমলিবা) কলা তরাতরূকনা মপুং ফাবা পুরুষোত্তম কৃষ্ণবু খংনগনি।

ভক্তনাং পাপাদিং দোষান্ কৃষতি নিবারয়তি ইতি কৃষ্ণঃ। মহাকপু নীংজবা ভক্তশিংগী পাপ পুন্নমকপু মাংহন্দুনা পাপকর্ম্মদগী থিংবীবা অত্বুবুসু কৃষ্ণ কৌই।

বদন্তি তৎ তত্ত্ববিদস্তত্ত্বং যজ্‌জ্ঞানমদ্বয়ম্!
ব্রহ্মেতি পরমাত্মেতি ভগবানিতি শব্দ্যতে॥

ভাগবত ১।২।১১

তত্ত্বথংবশিংনা অদ্বয়জ্ঞানবু অনী শুবা য়াদবা জ্ঞানবু তত্ত্ব কৌই।

ব্রহ্ম, পরমাত্মা অমসুং ভগবান হায়না কৌই। জ্ঞানিশিংনা ব্রহ্ম, যোগীশিংনা পরমাত্মা অমসুং ভক্তশিংনা ভগবান হায়রিবদো শ্রীকৃষ্ণবু খংনগনি। অশেংবমক্তি তত্ত্ব অমত্তা ওইরিবা সচ্চিদানন্দস্বরূপপু হায়বনি।

ঈশ্বরঃ পরমঃ কৃষ্ণ সচ্চিদানন্দ বিগ্রহঃ।
অনাদিরাদির্গোবিন্দঃ সর্ব্বকারণকারণম্ ॥

ব্রহ্মসংহিতা ৫ অধ্যায়

সচ্চিদানন্দগী মশক ওইবা শ্রীকৃষ্ণনা অথোইবা ঈশ্বরনি। মহাকপু হানবা কনাসু লৈতে। পুম্নমক্কী হৌরকফমগী হৌরকফমনি। পুম্নমক্কী অহানবা গোবিন্দনি।

নমো ব্রহ্মণ্যদেবায় গোব্রাহ্মণ হিতায়চ
জগদ্ধিতায় কৃষ্ণায় গোবিন্দায় নমো নমঃ ॥
যো মামেবমসম্মূঢ়ো জানাতি পুরুষোত্তমম্।
স সর্ব্ববিদ্ভজতি মাং সর্ব্বভাবেন ভারত ॥

গীতা ১৫। ১৯

ভগবান কৃষ্ণনা তাকপীখি হেঃ অর্জ্জুন! মী অদুনা কৃষ্ণ ঐবু পুরুষোত্তমনি হায়না খল্লবা মী অদুদি মায়াদগী লাপ্থোকলবনি। মহাক্না ঐবু মথরায় চংনা শীংবা ঙমলবনি। অমসুং সর্ব্বজ্ঞ তত্ত্ব পুম্নমক খংলবনি।

শ্রীকৃষ্ণ হায়রগা সর্ব্বব্যাপক (মমম খুদিংমক্তা শিনথুংনা লেংদনা লৈবা), সর্ব্বশক্তিমান (পুম্নমক ঙম্বা) অমসুং সর্ব্বজ্ঞ জ্ঞান পুম্নমক্কী হৌরকফম ওইবা "পুরুষোত্তমবু" খঙনগনি। ইবুংঙো

মহাকপু "লীলা পুরুষোত্তম" মু কৌই। গোলক বৃন্দাবন্দা নিত্য লীলা, ব্রজ পৃথিবীগী বৃন্দাবন্দা নরলীলা অমসুং ভক্তগী হৃদি বৃন্দাবন্দা "জীবলীলা" শান্নরি। শমনা হায়রবদা—জগৎ অমসুং জীবগা তৎনথান্নবা নত্তে। অনিমক্কী মপুনি। মরম অদুনা জগন্নাথ কৌই। "সচ্চিদানন্দ" হায়বা কৃষ্ণগী নাম অসিনা কোংদোকলি। সৎ = সত্তা—সত্য, চিৎ = জ্ঞান অমসুং সৎ + চিৎ + আনন্দ।

সৎ—কী অর্থদি-অস্তি লৈ; মাংদে, হোংদে অমসুং অরেপ্পনি। নিতানি। পুম্নমক্কী তুংনফম মহাক্নি। "সর্ব্বামূলাধার" কৌই। সত্য স্বরূপ কৌই। বেদান্তনচিংবা শাস্ত্রনা "ব্রহ্ম সত্যম্ জগৎমিথ্যা" হায়খিবদনি। হোংবা নাইবা পোৎপু মিথ্যা হায়বনি। স্না শাবনা শিজন্নরিবা খুৎলাই মখা (নাইদি) থক হোংদে। অদুগা স্নাবু মৈদা ইকলগা মুংথংনা য়ৈদুনা মওং কয়াগী লৈতেং—খুদোপ, নাইন লৈনচিংবা শারবসু স্নাগী ময়েংসু তাদে। খুৎলাই মখাগী মওংসু হোংদে। মচাক 'অমত্তনা মওং কয়া থোকহল্লিবদি স্না অদুনি। অদুগুম্না মায়াশক্তিগী মওং লেপ্তে। মিথ্যানি। অদুগা নিত্য ওইবা পোৎশক্তি ব্রহ্মনি। সৎস্বরূপ অদুবু বেদ শাস্ত্রনা "একং সৎ বিপ্রাঃ বহুধা বদন্তি" অমত্তা ওইবা অনী শুদ্রবা সৎ স্বরূপ অদুবু পণ্ডিত-শিংনা (তত্ত খংবাশিংনা) অধিকারীগী মতুং ইন্না মঙাল কন্না থোক্না তাকই। সত্য স্বরূপ অসিবু—শ্রীমদ্ভাগবত মহাপুরানগী একশ্লোক্কী ভাগবতকী অহানবা শ্লোকত্তা শ্রীবেদব্যাস দেবনা—"সত্যং পরং ধীমহি" হায়না শ্রীকৃষ্ণবু খুরুম্মী। বেদান্ত শাস্ত্রদা সৎ + চি + আনন্দ হায়বগী মহুত্তা—অস্তি ভাতি প্রিয় হাইবতনি।

সত্য স্বরূপ অসিবু নীংজরিবা ভক্তশিংনা মফম অমসুং মতম খুদিংমক্তা—"বাসুদেবঃ সর্ব্বমিতি" গীতা ৭।১৯ যেন সর্ব্বমিদং ততম্" গীতা ১৮।৪১ "ময়া ততমিদং সর্ব্বং জগদব্যক্ত মূর্ত্তিনা"। ৯।৪ ফোংদোক্তবা ভগবানগী সৎ স্বরূপনা পুম্নমক্তা শিনথুংনা লৈ হায়বসি শাস্ত্র পুম্নমকনা প্রমাণ তৌহুনা তাকলি। বৈষ্ণব শাস্ত্রদা সৎ স্বরূপতগী সন্ধীনী শক্তি অহুগা চিৎস্বরূপতগী সংবিৎ শক্তি অমসুং আনন্দ শব্দগী হ্লাদীনী শক্তি হায়হুনা শ্রীকৃষ্ণগী স্বরূপপু শক্তি অহুম থোকনা পুথোকই। ঈশ্বরদি সত্যনি হায়বদগী সত্যদি ঈশ্বরনি হায়বনা হেন্না চুমই হায়বসি মহাত্মা গান্ধীজীগী মতনি। সত্য স্বরূপ অসিবু নীংজরিবা মীদি সদাচার ওইরকই। সদাচার অচুম্বা (সত্যপালন) তৌরকলবগী তুংদা অশেংবা চিৎ শক্তি—জ্ঞানশক্তি ফাউরকই। সত্য লৈরবা মী অদো সদজ্ঞান হায়বদি চিচ্ছক্তি জ্ঞানশক্তি ফংগনি। জ্ঞানবু লৈরবদি অশেংবা আনন্দসু ফংগনি পুরান শাস্ত্রদা—মহাকালী, মহালক্ষ্মী অমসুং মহা-সরস্বতী হায়রিবহু —ভগবানগী স্বরূপশক্তি অহুম অসিবু হায়বনি। সৎ স্বরূপ ওইনা—জগৎ পুম্নমক্তা অমসুং জীবগী হৃদি মন্দিরদা সাক্ষী স্বরূপ ওইহুনা লৈরি। বৈষ্ণব শাস্ত্রদা—স্বরূপশক্তি; তটস্থ-শক্তি অমসুং বহিরঙ্গ শক্তি হায়না কৌবা অহুমথক ভগবান শ্রীকৃষ্ণদগী পুথোকই হায়না তাকপীরি। তটস্থ শক্তিবু জীব শক্তিসু কৌই। পরা শক্তি অমদি ক্ষেত্রজ্ঞসু কৌই। বহিরঙ্গ শক্তিবু মায়া শক্তিসু কৌই। জীব অমসুং জগৎ অনীমক্তা শ্রীকৃষ্ণ লেংদনা লৈ।

মমৈবাংশ জীবলোকে জীবভূতঃ সনাতনঃ
মন ষষ্ঠাণীইন্দ্রিয়ানি প্রকৃতিস্থানিকর্ষতি ॥

গীতা ১৫ । ৭

শ্রীকৃষ্ণগী অমাং অতা লৈত্রবা অংশনা জীবগী স্বরূপ ওইদুনা প্রকৃতিদা লৈবা পুক্লিং (মন) গা থারগা জ্ঞানইন্দ্রিয় ৫ গা তরুকমকপু চিংশাল্ল।

ঈশ্বরো জীবকলয়া প্রবিষ্টো ভগবানিতি ॥

ভাগবত ৩ । ২৯ । ৩৪

শ্রীহরিনা জীব কলা (অন্তর্যামী) ওইদুনা লৈ। সৎ-স্বরূপনা নত্রগা সন্ধীনীশক্তিনা জীবগী কর্ম্মফল পীরি। অমসুং কর্ম্মবু ককথৎপীরি। চিৎ-স্বরূপনা—জীবগী হৃদিদা জ্ঞানশক্তি ওইবীরি। জীবদি অল্পজ্ঞনি। জ্ঞান মপুং ফাদে। সর্ব্বজ্ঞ নত্তে। অদুমক ওইদুনসু--চিৎ স্বরূপ ওইনা ভগবান লৈবা মরমনা জীবনা—সাধন তোজরবদি সর্ব্বজ্ঞ ওইবা ঙমলকই। বেদশাস্ত্রগী গায়ত্রী মন্ত্রদা চিৎ স্বরূপ অসিবু "ধিয়ো যোনঃ প্রচোদয়াৎ" হায়না প্রার্থনা তৌরি। আনন্দ স্বরূপনা মীওইবগী পুনশিদা বিকাশ তৌবীদুনা নীংথিজবা ফজবা নুংঙাইবা থংহল্লি, অমসুং ঈশ্বরগী প্রেমভক্তি পোকহল্লি। মরম অসিদগী জীব পুন্নমক্তগী মীওইবা মপোকনা অথোইবনি হায়না শাস্ত্রশিংনা শিংথারি। মরমদি—ভগবানগী স্বরূপ শক্তিদগী—সৎ অংশনা জীবনী শক্তি অমসুং কর্ম্ম তৌবা ঙম্নবা শক্তি পীনবীরকই। মহুবু ক্রিয়াশক্তিসু কৌই। চিৎ—শক্তিদগী বিচার শক্তি (জ্ঞান) অমসুং আনন্দ অংশদগী—

প্রেমভক্তিগী রসপু মহাও খংহনবা ওম্নবা শক্তি পীরকই। জীবদি স্বরূপশক্তিদা য়েংগুরবদি শ্রীহরিগী অমত্তনি। বৈষ্ণব দর্শনগী মত মতুং ইন্নগা জাবদি ভগবানগী নিত্য দাসনি। মৈগা মৈরিকা নুনিংকা মশেকা লৈনরিবা মরি (সম্বন্ধ) অহুগুমনা কৃষ্ণগা জীবগা লৈনৈ। তংন থাম্নবা নত্তে। অদুবু মায়গী শক্তিনা খুমহৎখিবদগী জীবনা ঈশ্বরগা মরী লৈনরিবা সম্বন্ধ অসি কাওখি। মতুবু "ভগবদবিস্মৃতি" কৌই। অন্তকরণ (থমোয়দা) বাসনাগী মশক ওইনা জীববু মায়ানা কুপশনদুনা থমই অমসুং অশেংবা স্বরূপপু কাওহল্লি। উপনিষদ-নচিংবা শাস্ত্রদা হৃদয়গ্রন্থি কৌই। কাম, কর্ম্ম অমসুং অজ্ঞান অহুমবু খংনগনি। জীবনা জগৎকী বিষয় চিন্তাদা লুপ্তুনা ভোগ বিলাস পামজিবমখৈদি মায়াগী থোরি অসিনা পুন্দুনা থমই।

কৃষ্ণ ভূলি সেই জীব অনাদিবহির্মুখ
অতএব মায়া তারে দেয় সংসার দুঃখ
কভূ স্বর্গ উঠায় কভু নরকে ডুবায়॥

চৈতন্য মধ্যলীলা

জীবনা মায়াগী আশ্রনদা চংখিদুনা শ্রীকৃষ্ণবু কাওথ্রবদি অক করুগী ফল মতুং ইন্না অহাবা অমসুং নুংঙাইবগী চক্রদা লৈদুনা স্বর্গদা অমুক কাবা অদুগা নরকতা অমুক কুমহনা লৈ। অসিগুম্বা মায়া অসি ইচম চম্বদি নত্তে। শ্রীকৃষ্ণগী মায়ানি। মায়াপতি শ্রীকৃষ্ণদা চংজরগতা মায়াদগী লান্থোকপা ঙমগদবনি।

দৈবী হ্যেষা গুণময়ী মম মায়া দুরত্যয়া।
মামেব যে প্রপদ্যন্তে মায়ামেতাং তরন্তি তে॥

গীতা ৭। ১৪

ভগাবান শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীখি। সত্ত্বঃ রজঃ তমঃ গুণ অহুমকী মশক ওইবী ঐগী মায়া অসি লাম্বোকপা য়াবনি। কৃষ্ণ ঐঙোন্দা চংজরক্তুনা ঐবু নীংলিবা মীদনা লানগুমত্রবা মায়াদগী লাম্বোকই।

সাধু শাস্ত্র কৃপায় যদি কৃষ্ণোনমুখ
সেই জীব নিস্তারে মায়া তারে ছাড়য়॥

চৈঃ মধ্যলীলা পঃ ২০। ১১৮

সাধু বৈষ্ণব, অমসুং ভাগবত গীতানচিংবা সদ শাস্ত্রগী কৃপাদগী শ্রীকৃষ্ণদা জীবনা মায় ওনশল্লকপা মতমদা মায়ানা জীববু থাদোক্তুনা য়াইশংবা কংজরকই।

মচ্চিত্তা মদগতপ্রাণা বোধয়ন্ত পরস্পরম্
কথয়ন্তশ্চ মাং নিত্যং তুষ্যন্তি চ রমন্তি চ॥

গীতা ১০। ৯

কৃষ্ণ ঐঙোন্দা মপুক্লিং চংখুবা অমসুং প্রান কৎথোকত্রবা ভক্তশিং অহুনা তত্ত্বজ্ঞানবু খংনিংবদগী মখোই মশেল অমগা অমগা মহৈ মহৈ তাথোক তাশিন তৌনরগা পেননৈ অমসুং নুংঙাইহনৈ।

তেষাং সতত যুক্তানাং ভজতাং প্রীতি পূর্ব্বকম্।
দদামি বুদ্ধিযোগং তং যেন মামুপয়ান্তি তে॥

গীতা ১০। ১০

মতৌ অসুমনা ইতত্ত্বনা মপুক্লিং অমত্তা ওইনা প্রেমভক্তিগা লোয়ন্না নীংজরকলবা ভক্তশিং অহুদা ঐবু ইলায় লায়না কংবা ওয়বা জ্ঞান যোগ অহু কৃষ্ণ ঐনা মখোইগী অন্তরাত্মা ওইদুনা পীবী।

তেষামেবানুকম্পার্থমহমজ্ঞানজং তমঃ
নাশয়াম্যাত্মভাবস্থো জ্ঞানদীপেন ভাস্বতা। ১০। ১১ গীতা
কৃষ্ণ ঐনা ভক্তশিং অহুগী মকমদা থৌজানবীবদগী মখোইগী বুদ্ধিদা তোংবীদুনা জ্ঞানগী থাওমৈ থানগৎপীরগা অজ্ঞানদগী পোকপা অমম্বা পুম্নমক মাংহনবী।

মতৌ অসুমনা জীববু কলি অসিদা লানবীগদবনি। বেদ শাস্ত্র, ভাগবত গীতানচিংবা শাস্ত্রশিং অমসুং সদগুরু অমদি জীবগী হৃদিপদ্মদা লৈবীদুনা সাক্ষীস্বরূপ ওইরিবা শ্রীহরিনা তত্ত্বজ্ঞান অসি খংহনবীরকই। মরম অসিনা কৃষ্ণদি জগৎকী গুরুনি। শাস্ত্রগী মতুং ইন্না জীবগী মপোক লক্ষ ৮৪ নি। মপোকশিং অহুবু চাউরাক্না শরুক মরি থোক্না খাইদোকই। মহাদি— (১) জারায়ুজ, (২) অণ্ডজ, (৩) স্বেদজ অমসুং উদ্ভিদজ।

জরায়ুজ—মপাগী ঔরসতগী মমানা গর্ভ পুদুনা পোকপা— শা, শল,—য়োং, মীনচিংবা।

অণ্ডজ—মরুমদগী কোকলগা পোকপা—ভা,—উচেকনচিংবা, থেঙ্গুনচিংবা,।

স্বেদজ—মরেক মহাওদগী পোকপা—হিকমা তুমিৎ, কাংনচিংবা

উদ্ভিদজ—পাম্বীশিং—উ রা এনশাং নাপীনচিংবা। জীবগীচৈতন্য শক্তিনা খ্বাইদগী পীকনা বিকাশ তৌবদি পাম্বীনি। মথংদা খরা হেন্না ফোংদোকপনা স্বেদজনি। অহুদগী খরা অমুক হেনগৎনা মরুমদগী পোকপশিংদা অহুদগী গর্ভ পুহুনা পোকপা জীবশিংদনা মপুং মথং মথং ফারকই। জরায়ুজশিংদগী অমুক মীওইবনা মকোকনি।

জ্ঞানতত্ত্ব—হেল্লকই। সৎ + চিৎ + আনন্দগী অংশগী বিকাশ হেনবা মরমনা—বুদ্ধি লৌশিং অমস্তুং কর্ম্মদা মীওইবনা হেল্লকই। অতুগা মপুং ফানা মুংঙাইবা ফোংদোকপস্থ ঙমলকই। মী নত্তবা অতৈ জীবদি নোকপা ঙমদে। আনন্দগী অংশ হেন্না ফোংদোকই। ধর্ম্মগী সাধনাস্থ তৌবা ঙমলকই। মরম অসিদগী মানুষ্য যোনীবু "কর্ম্ম যোনী" কৌই। অতৈ মপোকপু "ভোগযোনী" কৌই। মীওইনা পোকপগী মহৈ য়াম্নবগীদমক্তা—সাধন ভক্তি (কর্ম্ম যোগ), ভাবভক্তি (ভক্তিযোগ) অমস্তুং প্রেমভক্তি (জ্ঞানযোগ) অহুমক সাধনা তৌহুনা হৃদিদা থুগু্না লৈরিবা শ্রীহরিগী সৎ + চিৎ + আনন্দগী শক্তি—অস্তুম হায়বদি—ক্রিয়াশক্তি, ইচ্ছাশক্তি অমস্তুং জ্ঞান শক্তি অহুমবু নীংথিনা শিজন্নবা ফংভৌবা মীওইনা পোকচমনগী মহৈ য়ানগদবনি।

ওঁ সচ্চিদানন্দ স্বরূপায় কৃষ্ণায়াক্লিষ্ট কর্ম্মণে।
নমো বেদান্ত বেদ্যায় গুরবে বুদ্ধি সাক্ষিনে।

সৎ + চিৎ + আনন্দ-গী মশক ওইরবা (স্বরূপলক্ষণ) অমস্তুং অন্না অনা লৈত্রবা (তটস্থলক্ষন) বেদান্ত শাস্ত্রনা থংগদবা বুদ্ধিদা সাক্ষী ওইরিবা গুরুগী মশক ওইবীরিবা শ্রীকৃষ্ণবু খুরুমজরি।

হরে রাম হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণেতি মঙ্গলম্
এবং বদন্তি যে নিত্যং নহি তান বাধতে কলিঃ।

পদ্ম পুরান ৪।৮০।২৩

হরিনাম মহাযজ্ঞ

"যজ্ঞানাং জপো যজ্ঞঽস্মি" গীতা ১০ অং ২৫। যজ্ঞ পুন্নমক্তগী জপ যজ্ঞনা শ্রীকৃষ্ণগী বিভূতিনি। বেদ, পুরান, তন্ত্র-নচিংবা শাস্ত্রশিংদা মীওইবগী পুক্নিং শেংনবা অমসুং নিংবা থুংনবা যজ্ঞ কয়ামুক তাকলি। মদুদি—রাজসূয়, অশ্বমেধ, বাজপেয়, গোমেধ, নরমেধ, দ্রব্য, তপোযজ্ঞ, জ্ঞানযজ্ঞ, স্বাধ্যায়যজ্ঞ, ভূতযজ্ঞ, নামযজ্ঞনচিংবা। যজ্ঞ পুন্নমক অসি চাউরাক্না শরূক অহুম থোকই। মদুদি—সাত্ত্বিক, রাজসিক অমসুং তামসিক। মশাগী ওইজবা পুন্নমক থাকোক্তুনা তৌফম থোকপা মথৌ অমা ওইনা জীবশিংগী কান্নবগীদমক্তা অমসুং ঈশ্বরগী পেন্নবগীদমক্তা—মহে অমত্তা নীংজুদনা মফম মতম চানা তৌবা যজ্ঞবু সাত্ত্বিক যজ্ঞ কৌই। অদুগা মশাগী তৌবা ওস্বা উত্তুনা, স্না লুপা শেল থুমচংনা মী য়াম্না পীজ পীথক্তুনা করিগুম্বা মহে অমা ফংনবগীদমক্তা ওইজবা পামদুনা তৌরিবা যজ্ঞবু রাজসিক যজ্ঞ কৌই। অদুগা শাস্ত্রগী বিধি য়াওদবা শ্রদ্ধা ভক্তি লৈতবা, মীবু মবুক থন্না পীজদবা, মন্ত্র, দক্ষীনা অমসুং শ্রদ্ধা য়াওদবা যজ্ঞশিং অদুবু তামসিক যজ্ঞ কৌই। গীতা ১৭ শুবা অধ্যায়। সত্ত্বগুণগী শরূকনা হেনবা সংযমনা মপুং ওইবা তপোযজ্ঞ, স্বাধ্যায়যজ্ঞ জ্ঞানযজ্ঞ, যোগযজ্ঞদি—মতিক চাবা শিক্ষা দীক্ষা তৌরবা—ব্রাহ্মণ মুনি ঋষি যোগীশিংনা পাংথোকপা ওমই। অদুগা স্না লুপা শেল থুম অমসুং মী য়াম্না চংবা

অশ্বমেধ, রাজসূয়নচিংবা যজ্ঞশিংনা রজোগুণনা হেনবা লৈবাক ঙাকপা রাজা মহারাজাশিংনা পাংথোকপা ঙমই। অদুগা কুম্মৈ ফীয়োং যাত্তবা পশুবলি শা, ভা, হাৎপানচিংবা য়াওবা তামসিক যজ্ঞশিংনা তমোগুন্না হেনবা মীত্তাশিংগীনি। তৌইগুমশুং ঈশ্বরগী নাম অমসুং মন্ত্রবু মশীং কল্লা জপ তৌবদি মীপুম খুদিংমক্লা মথরাইবু য়াওজরবদি ইলাই লাইনা পাংথোকপা ঙমজে। যোগী ঋষি ব্রাহ্মণ ক্ষত্রিয় বৈশ্য শূদ্র মুপী নহা অঙাং খাইদে। পুম্নমক চপ মান্ননা অধিকার লৈ। মরম অসিদগী জপযজ্ঞনা মকোকনি।

গুরু পরম্পরাদগী মথং মথং সঞ্চার তৌরক্লুনা সাধক কয়াগী চিত্তশুদ্ধি ওইরকলবা সিদ্ধ মন্ত্রশিং অদুদি মহৌশানা ঙকলবা শক্তিকমাসুক থুপ্তুনা লৈ! গীতাগী বিভূতি যোগতা শ্রীকৃষ্ণনা তাকপীরি। মতুদি—"দেবর্ষি নাঞ্চ নারদ" মন্ত্র শাস্ত্র হৈবা হরিনামদা সিদ্ধ ওইখিবা দেবর্ষি নারদনি। মন্ত্র অসিগী মমিংসু মহামন্ত্রসু কৌই। অসিগুম্বা—মীরোল কয়াদগী শরু শোন্নরক্লুনা—শান্তিঃ ফংনরকলবা নাম অসিবু—নোংমতং (অহোরাত্র) জপ তৌজবদা পাপ পুম্নমক মাংহুনা নামগী মহিমানা চিত্ত শুদ্ধি ওইবা ঙমহল্লি। কলিগী মীদি পুনশিসু তৌল্ল খুদোংথিবসু য়ামই। অনংবা অৱাৎ-পনসু হোল্ল। হরিনাম জপ তৌবদি বিধি নিষেধ—দেশ কাল পাত্র নিয়ম করিমত্তা খাইদে।

অনন্যচেতাঃ সততং যোমাং স্মরতি নিত্যশঃ।
তস্যাহং সুলভঃ পার্থ—নিত্যযুক্তস্য যোগিনঃ॥

পুক্লিং অনী লোংদনা মতম কুইনা কৃষ্ণ ঐবু অতংপা লৈতন নীংশিঙ্গরবা (ঐগা নামবু হন্না হন্না জপ তৌজরবা অহুদি নিত্য যোগী কৌই। ভক্ত অহুদি ফংঙমত্রবা ঐবু—মুংঙাইনা (কোম্‌না) ফংই।

"মননাৎ ত্রায়তে ইতি মন্ত্র" ঈশ্বরগী নাম অমবু হন্না হন্না মনন তৌরগা—লানবগী পাম্বৈ ওইবা অদুবু মন্ত্র কৌই। তর্কের গোচর নহে নামের মহত্ব" মীওইবগী বুদ্ধি লৌশিংগী মরৈ তর্কনা য়োবা ঙম্বা নামগী মহিমা নত্তে। (চৈঃ অন্ত লীলা ৩য় পরিচ্ছেদ ২০৪ শ্লোক)। দীক্ষা গুরুনা শিষ্যদা নাম অমসুং মন্ত্র—দীক্ষা পীবদা মশাদা থুপ্তুনা লৈরিবা ঈশ্বরগী শক্তি অসি সঞ্চার মখল অহুম থোক্না তৌবীরকই। মহুদি (১) বিহঙ্গ সঞ্চার, (২) মীন সঞ্চার অমসুং (৩) কুর্ম্ম সঞ্চার।

বিহঙ্গ সঞ্চার—উচেকনা মরূম কোল্লগা মপী মপাগী শাক্ত পুম্নমক চংহনবগুম্ গুরুনা শিষ্যবু শোকপীহুনা নান-বীবা অমসুং গুরুগী চরন্দগী মরূওইনা খোংবীদগী অমসুং খুত্তগী—শক্তি হাপ্লীরকই। মসিবু সসপ সঞ্চার কৌই।

মীনসঞ্চার—ঙানা ঈশিং মন্থুংদা মচা ময়ামগী মরক্তা চাবা য়াওরগা। মমিৎনা য়েংদুনা মচাশিংদা—শক্তি হাপ্নীবা অহুগুম্না গুরুনা শিষ্যদা কৃপা দৃষ্টি (চানবীবগী মিৎয়েংনা য়েংবীদুনা মন্ত্রগী শক্তি হাপ্নীববু দৃষ্টি সঞ্চার অনদি মীন সঞ্চার কৌই।

কুর্ম্ম সঞ্চার মানসিক সঞ্চার—গুরুনা পুক্লিংগী (ইচ্ছা শক্তিবু) শিজন্নদুনা রাখল করিমত্তা চোইদনা শিষ্যগী পুক্লিংগা মরী লৈনহল্লগা

দিব্যশক্তি হাপ্পীবগী মমিংবু মানসিক সঞ্চার কৌই।

মতৌ অনুমনা শ্রীগুরুনা শিষ্যদা সঞ্চার তৌরকলবা মন্ত্র অমদা ঈশ্বরগা মরী লৈনরবা শব্দগী মশক ওইবা মন্ত্র অদুদি—ঈশ্বরগা মশা অমত্তনি।

নাম বিগ্রহ স্বরূপ তিন একরূপ
তিনে ভেদে নাহি তিন চিদানন্দরূপ ॥

মধ্যলীলা ১৭ পঃ ১৩১ শ্লোক

ঈশ্বরগী নাম, রূপ তমস্সুং স্বরূপ অহুমসি খেৎনদে। মশা অমত্তনি। অহুমক্ জ্ঞানগী মশকনি।

মন্ত্রে তীর্থে দ্বিজে দেবে দৈবজ্ঞে ভেষজেগুরৌ
যাদৃশী ভাবনা যস্য সিদ্ধির্ভবতি তাদৃশী ॥

অর্থ—মন্ত্র, তীর্থ, ব্রাহ্মন, দেবতা জ্যোতিষী, হীদাক
গুরু—হায়রিবশিং অসিদা অতুকী মতিক থাজবগা
মতুকী মতিক সিদ্ধ ওইবা ঙমই ॥

হরিনাম মন্ত্র [illegible] সাধন মূল
[illegible] কহে হেনমি [illegible] দেখাগুন ॥

[illegible] ([illegible])

সাধনা পুম্নমক্কী হরিনাম জপ [illegible] অথোইবনি। হরিনামনা অঙ্ক মখোইংনি অহুগা অতে সাধনাশিংনা শুন্যনি। হরিনাম য়াওদ্রবা সাধনদি—মশিং ওইদা লৈত্রবা শুন্যগুম্বনি। হরিনাম য়াওবা সাধনদা অঙ্ক [illegible] ওইদা লৈরগা শুন্যমা শরূক তরা হেনগৎপগুম্বনি।

राम दीप धर जीह देहरीद्वार
तुलसीभितरबाहरहु जो चाहत उजियार ॥
दोहा । ॥

তুলসীদাসনা হায়জরি—হকচাংগী মঙুং মপাল অনীমক পুমঙাল ঙানহল্লবা পামলবদি লৈয়েংগী মশক ওইবা ইন্দ্রিয় অসিদা হরিনাম কৌবা মনিগী থাওমৈ অসি থানবীয়ু ॥

तुलसी जगमे आकर करलो दोनोकाम
देनेको टुकरा भाला लेनेको हरिनाम ॥

হে তুলসীদাস জগৎ অসিদা মীওইনা পোকচবা ফংবগী মহৈ য়ানবগে হায়রবদি দান তৌবদা চাবা থকপা ফংদ্রবা মীদা পীজা পীথকউ অতুগা লৌশনবদা হরিনাম লৌশল্লু।

কলিকালে নামরূপে কৃষ্ণ অবতার
নাম হইতে-হয় সব জগত নিস্তার ॥

কলিদদি—শ্রীকৃষ্ণনা হরিনাম ওইনা অবতার তৌবিরি। নামদগী জগৎ পুম্নমক লান্নগনি।

যেইনাম সেই কৃষ্ণ ভজ নিষ্টাকরি
নামের সহিত আছেন আপনি হরি ॥

অচেৎপা থাজবগা লোয়ননা হরিনাম শোল্লু নামগা লোয়ননা নহাক্কী হরি—লেংদনা লৈরবনি।

চৈঃ আদি ১৭।২২

নামৈব পরমা মুক্তি নামৈব পরমা গতিঃ
নামৈব পরমা রাধ্যো নামৈব পরম গুরু ॥
(আদি পুরান)।

নবধা ভক্তি অমসুং হরিনাম

শ্রবনং কীর্ত্তনং বিষ্ণোঃ স্মরনং পাদসেবনং
অর্চ্চনং বন্দনং দাস্যং সখ্যমাত্মনিবেদনম্ ॥
ভাগবত ৭।৫।১৩

অর্থ—ভগবান শ্রীহরিগী নাম, মহিমা, লীলা অমসুং তত্ত্বগী মরম তাবা, অমসুং শক শোনজবা জপ তৌবা, পূজাকৎপা, খুরুমজবা অমসুং শ্রীহরিবু চেৎনা থাজত্থনা অরেপ্পা মরূপনি হায়না খনজবা অমসুং ইমাগী হুংঙাইবা পুম্নমক থাদোক্তুনা শ্রীহরিদা কৎথোকচবা মাপল অসিবু মখল মাপলগী ভক্তি কৌই।

মথক্তা ভাগবতনা তাকপীরিবা মখল মাপল অসিদা নত্তনা ভক্তি অঙ্গ ৬৪ খক তাকলি। মত্থবু বৈষ্ণবগী সদাচার কৌই। শ্রীকৃষ্ণচৈন্য প্রভুনা ময়াম পুম্নমক অসিদগী পঞ্চ মহাসাধন (সাধন মখল মঙানা) অথোইবনি হায়না অমুক তাকপীরি। মত্থদি—

সৎ সঙ্গ, কৃষ্ণ সেবা, ভাগবত নাম
ব্রজেবাস এই পঞ্চ সাধপ্রধান ॥
চৈঃ মধ্যলীলা ২৪ পঃ ১৮৯

সাধু বৈষ্ণবশিংগা তিন্নজবা, শ্রীকৃষ্ণগী পূজানচিংবা সেবা অমদি জীব খুদিংমক্তা শ্রীকৃষ্ণ লৈ হায়না নিংত্থনা মতিক চাবা মফমদা দান অমসুং সেবা তৌবা, ভাগবত পাবা অমসুং তাজবা হরিনামদা আশ্রয় তৌজবা অত্থগা মায়াগী রাখল পুম্নমক থাদোক্তুনা নিত্য স্বরূপ ওইবা শ্রীহরিদা পুক্নিং লুপশনত্থনা লৈববু ব্রজবাস কৌই। অমদি ইশা অসিনা মন্দির ওইহল্লগা—হৃদি বৃন্দাবনদা ধ্যান তৌবা।

শাস্ত্র ব্রাহ্মণ্যতত্ত্ব যে কিছু সকল
হরিনাম সঙ্কীর্ত্তনেরে মিলিবে সকল ॥
চৈতন্য ভাগবত আদি খন্ড

ভক্তি অঙ্গ ৬৪ দা তাঁকথ্রিবা সাধনা পুম্নমক্কী কান্নবা ফলশিং অদো হরিনাম সঙ্কীর্ত্তনদগী ফংবা ঙমগনি।

হরিনাম সংকীর্ত্তন

সততং কীর্ত্তয়ন্তো মাং যতন্তশ্চ দৃঢ়ব্রতাঃ
নমস্যন্তশ্চ মাংভক্ত্যা নিত্যযুক্তা উপাসতে ॥
গীতা ৯। ১৪।

ভক্ত অহুনা মপুক্কিং চংনা অতৎপা লৈতনা অচেৎপা ব্রতা লোয়নন (ইন্দ্রিয় অমসুং পুক্নিংবু সংযম তৌহুনা) ঐগী নামবু কীর্ত্তন তৌজরককলবা অহুবু নিত্য যোগী কৌই। মহাক্কী মফমদা ফংজমদবা ঐ অমে ইহুং থুংঙাইনা ফংহল্লি।

শ্রীহরিগী নাম, মহিমা, লীলা অমসুং প্রার্থনাবু ছন্দঃ, রাগ রাগীনী তাল মাত্রানচিংবদা স্বরদা পানহুনা মথল মথা অয়াম্বা যন্ত্রশিংগা লোয়ননা শক শোনববু সঙ্কীর্ত্তন কৌই।

বেদ, পুরানচিংবা শাস্ত্রশিংদা কলাবিদ্যা ৬৪ থক শীংথানরি। মথোইশিং অহুগী মহুংদা ললিত কলা ৫ হায়বদি (১) চিত্রকলা,

(২) মূর্ত্তিকলা, (৩) নৃত্যকলা, (৪) সাহিত্য কলা অমসুং (৫) সঙ্গীত কলা অসিনা অথোইবনি। মরমদি মঙা অসিনা ধর্ম্মগী সাধনাদা ভক্ত অমগী পুক্নিংবু ঈশ্বরদা লমজীংতুনা চিংশল্লি। চিত্রকলাদা কলাকার অমনা ঈশ্বরগা মরী লৈনবা ভাব ভঙ্গীবু য়েক খোত্তুনা দর্শক (অউবা মীবু) ঈশ্বরগী রাখলদা লুপহল্লি। অদুদগী অমুক মূর্ত্তি কলানা চিত্রকলাদগী হেন্না মপুং ফানা মানশনবা হেলহল্লি। ঈশ্বরগী মূর্ত্তি (বিগ্রহ) না ভক্তগী পুক্নিংবু—য়াম্না লাইনা চিংশল্লি। তৌইগুম্বশুং অরেপ্পা লেংদবা মরমনা—নৃত্য কলা (জগোই) না মূর্ত্তি কলাদগী অমুক হেন্না ভক্তিশিংবু প্রেমভক্তিগী ঈথক হৌহল্লি। মথল মথা অয়াম্বা বাদ্য যন্ত্র অমসুং তার যন্ত্র—ফুৎকার, যন্ত্রশিংগী স্বর—গী তাল মাত্রা অমসুং ভাব ভঙ্গীগী মুদ্রানা—কলাকারনা অনুভব তৌরিবা ভাব অদু ফোংদোকই। তৌইগুম্বশুং কলাকার অদুগী প্রাণশক্তি অদুনা লেংওত্তুনা ফোংদোকপা লোইখ্রগা অমুক অদুম লেপখি। মরম অসিদগী সাহিত্য কলানা নৃত্য কলাদগী অমুক মপুং ফাবা হেল্লি। লাইরিক লেংবা কবি অমনা বর্ণগী মতেংনা ঈশ্বরগী তত্ত্বজ্ঞান, লীলা অমসুং মহিমাবু নীংথিজরবা ফজরবা শৈরেং অমসুং রারেং লেংলগা লাইরিক ওইহনখ্রবদা অপাবা অমসুং অতাবা মীগী থমোয়দা ঈশ্বরগী ভাব পোকহনবা ঙমই। কলাকার মশা য়াওদ্রবসু পাক চাউনা শন্দোকপা ঙম্মী। তৌইগুমশুং সাহিত্য অদুসু উচ্চারণ তৌদুনা শক শোনবা মী খরদি—চংদবা য়াদে। অদুগা মথক্তা সাহিত্য অদু ইরিবা লোল অদুগী মখা পোল্লি। লোল অদু খংদবা মীগীদমক্তা মীরোলদা

অমুক হন্দোকপা তাই। মরমশিং অসিদগী সাহিত্য কলাদগী সঙ্গীত কলানা মপুং ফাবা হেল্লকই। মথক্তা হায়থ্রিবা কলা মরিমক্না ফোংদোকথ্রিবা পুম্নমক সঙ্গীত কলাদা ফোংদোকপা য়াই। শব্দ ব্রহ্মগী মতেংনা—পথাপ নাইবা নিয়ম অমগী মখাদা শিজন্নতুনা কলাকারগী বৈখরী শব্দনা—নাকোং পেলহল্লি। অমসুং মখল মখা অয়াম্বা মুদ্রানা মিং পেলহল্লি। রাগ রাগীনী অমসুং পদ কয়ানা সাহিত্য কলাগী নীংথিজবা "সত্যং শিবং সুন্দরম্" বু ফোংদোকই। মখল মখা অয়াম্বা যন্ত্রগী সুরশিংনা পুনশল্লকলগা শব্দগী নীংথিজরবা ধ্বনিগী ঈপোম অমা থোকহন্দুনা অতাবা অউবা ভাবুকশিংগী পুক্নিংবু—পেংহল্লগা প্রেমভক্তি পোকহল্লি। তুচুংবা, ঙকপা, মিত্তগী পী শিন্থরকপনচিংবা সাত্বিক বিকার ফাউহল্লি।

মথক্কী ললিত কলা মঙা অসি কলা পুম্নমক্কী মকোক ওইতুনসু—ঈশ্বরগী মরী লৈনহন্দুনা প্রেমভক্তিদা শিজন্নদ্রবদি য়াম্না খুদোং থিনবগী মশকনি। কামগী রাখলসা (হুপী হুপা হুংশিনবগী মরমদা) শিজন্নথ্রগা লমচৎ শাজৎ মাংনবগী মশক ওইরকই। মনম হুংশিবা চাচন্দন অগরনচিংববু হুংফালদা হন্না হন্না ঈশিং হাপ্তুনা তকলগা নংশল্লকপগুম অমসুং মনম্ হুংশিবা ফাউরকপগুম্ হরিনামবু কীর্ত্তন তৌর তৌরগা কল্লবা হুংফালগুমলবা পুক্নিং অসিদা হরিনামগী মধুর রস অতু ফাউরকই। ইন্দ্রিয়শিংগী দোষ পুম্নমক কোকলকই। মতুবু নামরসায়ণ অমদি হরিনামৃত কৌই। হরিনামগা হরিগা অমত্তুনি। নামগা অর্থগা থাদোক্লদে!

নামদা শ্রীহরিগী ঐশ্বর্য্য অমসুং মাধূর্য্য অনীমক থুপ্লুনা লৈ। সাধক অমনা হৈশিংনা কীর্ত্তন তৌজরবদি মহ্ অনুভব (মশাদা ফাউনবা) ঙমই। গোস্বামী তুলসীদাসনা হায়রম্মী—

রাম রাম সব কোঈ কহ ঠগ ঠাকুর চোর

বিনা প্রেমসে রিঝাট নহীঁ তুলসী নন্দকিশোর॥ দোহা

হুরানবা, চিনথিবা, লোনম্বা, ব্রাহ্মণ, সাধু বৈষ্ণবনচিংবা মী পুম্নমক হরিনাম শোল্লি তৌইগুম্বশুং প্রেমভক্তি য়াওদনা শোল্লবদি মতিক চাবা ফল ফংদে, শ্রীকৃষ্ণবু ফংবা ঙমদে। নোংমৈগী গুলিনা জীব অমদা কাপ্পদা শিগনি শোয়দে। তৌইগুম্বশুং—নোংমৈ য়াওদনা খুৎনা পাইহ্নুনা লংবদা পাল্লবসু শিরোই। অহুগুমনা—অপরাধ য়াওদনা সাধক অমনা শোনজরগা নাম সাধনগী মতিক চাবা ফল ফংবা ঙমগনি।

নাম সঙ্কীর্ত্তন যস্য সর্ব্বপাপ প্রানাশনম্

প্রণামো দুঃখঃ শমনস্তং নমামি হরিং পরম্॥

ভাগবত স্কঃ ১২। ১৩। ২৩

ইবুংঙো মহাক্কী নাম সঙ্কীর্ত্তণনা পাপ পুম্নমক মাংহনবা চরন্দা চংজহ্নুনা আত্ম সমর্পন তৌজবদা অরাবা পুমনমক কোকহনবা পরম তত্ত্ব ওইবা শ্রীহরিবু খুরুমজরি।

শ্রীশ্রীশিক্ষাষ্ট কং

চেতোদর্পন মার্জ্জনং ভব—মহাদাবগ্নি—
নির্ব্বাপনং
শ্রেয় কৈরব চন্দ্রিকা—বিতরনং বিদ্যা-
বধুজীবনং।
আনন্দম্বুধি বর্দ্ধনং প্রতিপদং পূর্ণামৃতা
স্বদনং
সর্ব্বাত্ম—স্নপনং পরং বিজতে শ্রীকৃষ্ণ
সঙ্কীর্ত্তনং ॥ ১ ॥

ভাবার্থ—চেতোদর্পন মার্জ্জনং—লূরবা লিকলাই মিংশেলদা উফুল পকলগা য়েংবগা মাইথোং নীংথিনা উবা ফংদে। ফী অমনা নীংথিনা শেংনা তকথোকলগা য়েংলবদি তরু তরু উবা ফংই। মতৌ অতুগুমনা চিত্ত- (থমোয়দা) বিষয়গী মখল মখা অয়াম্বা দূর্ব্বাসনা পক্তুনা লৈরবনি আত্মাগী স্বরূপ উবা ফংদে। জিবগা ঈশ্বরগা লৈনরিবা প্রেম ভক্তিসু মহাও খংদে। চিত্তকী অমোংপা কোকহন্নবা পাম্বৈদি হরি সঙ্কীর্ত্তননা অথোইবনি।

ভব—মহা দাবাগ্নি—নির্ব্বাপনং—লামমৈদগী হেন্না তমথিরবা সংসারগী মৈচাকশিং—পোকপা শিবা, অনা তয়ক লৈত লাইরবা ত্রিতাপ পুম্নমকপু শ্রীহরিসঙ্কীর্ত্তণনা কৃপাবারি থৌজালগী নোং ওইহনা চুথবিরকলগা মুংহল্লবী

শ্রেয়—কৈরব—চন্দ্রিকা = থাবলগী পুক্লিং হূরবা নীংথিবা মংশেক্লা থরোদা য়ৈবদা শাৎকাইরকপগুন পূক্লিংগী অধিষ্ঠাত্রী দেবতা চন্দ্রনা শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তননা ওইরগা ভক্তি দেবীনা থরো ওইহনা শাৎকাইরকই—অমসুং কৃষ্ণ ভক্তি পোকহল্লকই।

বিদ্যাবধূ-জীবনং—হরি ভক্তিগী তত্ত্বজ্ঞানবু বিদ্যাবধূ-কৌই। পরা বিদ্যাসু কৌই। অতে বিদ্যাশিংদি অপরা বিদ্যা কৌই। অহুগুম্বা শ্রীহরিগী তত্ত্বজ্ঞান অহুগী প্রাণ (মথন্নাই) হাপ্পদি শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তননি। স্বরূপশক্তিবু ইবুংঙোগী মনাই হুপী মোগা চাংদম-নবনি।

আনন্দাম্বুদ্ধি বর্দ্ধনং—অরাবা অমসুং মুংঙাইবগী মথক্তা লৈবা অপেনবগী মশক ওইবা আনন্দ সমুদ্রগী ঈথক ঈপোম কাহল্লিবা শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তননি।

প্রতিপদং পূর্ণামৃতাস্বাদনং—পদ পদ খুদিংদা মপুং ফারবা অমৃতবু আস্বাদন তৌবা ঙমজবা হায়বদি প্রেমভক্তিরসকী মহাও—ফংহনবা শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তননি।

সর্ব্বাত্ম স্নপনং—পুক্লিং ইন্দ্রিয় অমসুং আত্মাবু পেলহনবা ঙম্বা শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তননি। পরং বিজয়তে কলিযুগকী অথোইবা শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তননা জয় ওইরি॥

নাম্নাকারি বহুধা নিজসর্ব্বশক্তি
স্তত্রার্পিতা নিয়মিতঃ স্মরনে ন কালঃ।
এতাদৃশী তব কৃপা ভগবণ্! মমাপি
দুর্দ্দৈবমীদৃশমিহাজনি নানুরাগঃ॥ ২॥

ইবুংঙো মহাক্কী কৃপানা নাম কয়ামরুম কোংবীরে। অহুগা নামশিং অসিদা শক্তি কয়ামুকস্থ লৈহনবীরে। নাম অসিবু শকচা শোনজবদা মফম মতম বিধি নিয়মস্থ খাইহনবীদরে। হে ভগবন্ অসি ফাউবা থৌজানবীরবদা ইরাইবক থিবদগী হন্দকী মপোক অসিদা অনুরাগ পোকপা শুমজদ্রে॥

তৃনাদপি সুনীচেন তরোরিব সহিষ্ণুনা
অমানিনামানদেন কীর্ত্তনীয়ঃ সদা হরিঃ॥ ৩॥

নাপীদগী হেন্না তোনবা পুকচেল হায়বদি দৈন্যতা (অভিমান নাপল পুম্নমক থাদোকলগা) উদগীস্থ হেন্না খাংবা কন্না অতোপ্পবু ইকাই খুম্নহনা—সাধু বৈষ্ণবশিংদা শ্রদ্ধা ভক্তি থমহনা পরনিন্দা পুমথা থাদোকলগা মীগী দোষ য়েংবগী মহুত্তা ইশাগী দোষ মুন্না য়েংশনহনা অরানবা পুম্নমক চুমথোকলগা শ্রীহরি সঙ্কীর্ত্তন তৌজগান

ন ধনং ন জনং ন সুন্দরীং কবিতাং বা জগদীশ কাময়ে।
মম জন্মনি জন্মীনীশ্বরে ভবতাদ্ভক্তিহেতুকী ত্বয়ী॥ ৪॥

হেঃ জগদীশ্বর! লল লৈবা ইনাকখুনবা পামজদে, মশক মতৌ ফজবা নুপীস্থ পামজদে। কবিতা লেংবা হৈবস্থ পামজদে। মপোক মপোক খুদিংদা ইবুংঙো নহাক্কী চরন্দা নিস্কাম ভক্তি লৈবা পীনবীয়ু॥

টিপ্পণী—মীওইবগী থমোয়দা চুথ্রগা কোকহনবা রাবাদ কামনি। কামগী ভুংনফমদি স্ত্রী লুপা, ফজবী নুপী, লাইরিক লাইগু হৈহনা মিংচৎপনি। আত্মাগী য়েক্কবা বাসনা অহমনি। মহুদি লিজ বাসনা, মনুষ্য বাসনা অমস্থং শাস্ত্র বাসনা। অপানা

মশক মতৌ ফজবী পাম্বা অমস্থুং ললথুম ব্লাত্তবা অনীমকপু থংশিৎনা "লিঙ্গ বাসনা" অমস্থং দেহ বাসনা কৌই। মীকোক থাংনিংবা মিং চৎপা, অচৌ অশাং ওইনিংবা অসিবু মনুষ্য বাসনা কৌই। লাইরিক লাইশু হৈহ্নূনা মী অতোপ্পবু থাম্নদবা মানা ধংলিবা অহুনা মহেল্লে হায়না নিংবা অসিবু শাস্ত্র বাসনা কৌই। নাপল অহুম অসিনা জীববু ভক্তি ফংহনবগা অপনবা অথোইবা পল অহুমথক ওইরকই।

অয়ি নন্দতনুজ কিঙ্করং পতিতং মাং বিষমে ভবাম্বুধৌ
কৃপয়া তব পাদপঙ্কজ স্থিতধূলী সদৃশং বিচিন্তয় ॥ ৫ ॥—

হেঃ নন্দনন্দন কৃষ্ণ! ননাই ঐহাক অসে অশেংবমক্তি ইবুংঙো নহাক্কী নিত্যদাসনি। অহুবু মায়াগী কল্লবা লীচিংনা চিংথবীহুনা তমথিরবা সংসার সাগরদা তাহুনা লৈরে। ইবুংঙো নহাক্কা কৃপা তৌবীহুনা ইবুংঙো নহাক্কী শ্রীচরন্দা পক্তুনা লৈবা উফুল মরিক অমত্তং ওইহনবীয়ু। তোল্লবনা থরাই হুংঙাইজনা ইবুংঙো নহাক্কী নিত্য সেবা তৌবা ফংজগে॥

নয়নং গলদশ্রুধারায়া বদনং গদগদ রুদ্ধয়া গিরা
পুলকৈর্নিচিতং বপুঃ কদা তব নাম গ্রহনে ভবিষ্যতি ॥ ৬।

হেঃ প্রভু! নহাক্কী নাম শোনজবা মতমদা মিত্তগী পী শিনথজবা ঙমজগদগে? থোরিদা ফুনগৎলক্তুনা ব্লাহৈ মতেক মতেক ঙাংলগদগে? প্রেমানন্দনা ঐগী হকচাং অসি তুজুংগদগে?

যুগায়িতং নিমেষেণ চক্ষুষা প্রাবৃষায়িতং।
শূন্যায়িতং জগৎ সর্ব্বং গোবিন্দবিরহেনমে ॥ ৭। ৭

গোবিন্দগা মিকুপ অমত্তং কাইনবদা ঐগী ইফমদদি যুগ অমা ওইনা খনখরে। নোংজু থাগী নোংগুম্না মিত্তগী পী শিন্দ্রকই অমম্বুং সংসার পুম্নমক হাংনা উখরে। শ্রীচৈতন্য প্রভুদি রাধাগী কান্তি পুত্থনা প্রেম ভক্তি শন্দোকপা গুরুনি। শ্রীমতীনা গোবিন্দ বিরহদা ওইখিবা দশা অদু কোংদোক্লনা কৃষ্ণবু আকাঙ্ক্ষা তৌরি।

আশ্লিষ্য বা পাদরতাং পিনষ্টুমা-
মদর্শনান্মর্ম্মহতং করোতুবা
যথা তথা বা বিদধাতু লম্পটো
মৎপ্রাণনাথস্তু স এব নাপরঃ ॥ ৮ ॥

মনিং মখা তম্বা লীলাময় শ্রীকৃষ্ণনা মনাই ওইবী ঐবু লূনা তৌবীদুনা আলিঙ্গন তৌবীশনু নত্রগা ঐবু লংথোকপীদুনা খাইন মৈচাকনা থমোয় অসে কাইহনগে হায়রবশু কাইহল্লসনু; তোল্লবী ঐবু থমনিংবা মঙংদা থম্বীশনু। ইবুংঙো মহাক্তি ঐগী প্রাণনাথনি। অতৈ কনা অতোপ্পা অমা নত্তে ॥

টিপ্পনী-শুদ্ধপ্রেম হায়বসিদি ইশাগী নুংঙাইবা অমদি অপাম্বা থম্বা য়াদে। অহৈতুকী ভক্তিগী শিক্ষা অমা শ্রীচৈতন্য প্রভুনা তম্বীরিবনি।

ইতি শিক্ষাষ্টক সম্পূর্ণম্ ॥

মিথ্যা মোহাভিলাষৈর্ভ্রমতি মম মনোমাধবধ্যানশূন্যং
কস্তব্যোমেহপরাধঃ কলিকলুষ হর শ্রীহরে কৃষ্ণরামঃ ॥

নাম অপরাধ

হরিনামদা আশ্রয় তোজারবা সাধক থুাদংমকনা থাদোক্কদবা অপরাধ তরাখক শ্রীকৃষ্ণ চৈতন্য মহাপ্রভূনা তাকপীরম্মী। মতুদিঃ—

১। সাধু বৈষ্ণবশিংবু থক নিন্দা তৌরোইদবনি।

২। হর অমসুং হরিবু (শিব মহাদেব অমসুং কৃষ্ণবু) তোঙান তোঙানবনি হায়না থক খলহৈদে।

৩। শ্রীগুরুবু থক থৌওই উশিত্তবা তৌরোইদবনি।

৪। বেদনচিংবা শাস্ত্রশিংবু নিন্দা থক তৌফদে।

৫। হরিনামবু শাস্ত্র অমসুং মহাপুরুষশিংনা পংহাই হায়জনবনি অমসুং থাগৎপনি হায়না নিংহৈদে। চেৎনা লুনা তৌগ-দবনি।

৬। হরিনামবু মশাগী নিংবা থুংনবগীদমক্তা পাপকী থবক্তা কৈদৌঙৈদসু শিজন্নরোইদবনি।

৭। ধর্ম্ম, ব্রত, দান অমসুং যজ্ঞনচিংবা শুভকর্ম্মশিংগা হরিনামগা চাংদমনবা য়াদে।

৮। শ্রদ্ধা ভক্তি লৈতবা মীদা হরিনামগী পাউতাক কৈদৌঙৈদসু পীরোইদবনি।

৯। হরিনামগী মহাত্ম্যম্ তারগা শ্রদ্ধা ভক্তি পোক্তবসু—নাম অপরাধ মথল অমনি।

১০। সংসারগী রাখলদা য়াম্না কন্না লুপশনবহুনা (বিষয় চিন্তা তৌবহুনা) হরিনামবু শোন্নিংদবসু চাউরবা অপরাধ অমনি।

অপরাধ কোক্লবা

নামাপরাধযুক্তানাং নামান্যেব হরন্ত্যঘং।
অবিশ্রান্ত প্রযুক্তানি তান্যেবার্থ করানিচ॥

অর্থ—হরিনামদা অপরাধ লৈরুরবা মীনা অমুক হরিনামদা চংজরগা প্রায়শ্চিত ওইগনি। মরম অসিনা অতৎপা লৈতনা হরিনাম শোনবনা কান্নবা ফংগনি।

রাম রাম রাম রাম রাম রাম রক্ষ মাম্
কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ পাহি মাম্ ॥
রাম রাম রাম রাম রাম নাম তারকম্
কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ নাম পাবকম্ ॥
রাম কৃষ্ণ বাসুদেব ভক্তি মুক্তি দায়কম্
শঙ্করাদি সেব্যমান হরিনাম কীর্ত্তনম্ ॥
সর্ব্ব পাপ প্রশমনং সর্ব্বোপদ্রব নাশনং
সর্ব্বদুঃখ ক্ষয়করং হরিনাম কীর্ত্তনং ॥
হরি ওঁ তৎসৎ শ্রীকৃষ্ণার্পণমস্তু।

—০—

সম্পূর্ণ।

18184

য়োগেন্দ্রজিৎ কর্মকারগী অতোপ্পা লাইরিক

১। গীতাগী হ্রাখুন=অধ্যায় ১৮ দা, ভাকুলিরা শ্রীকৃষ্ণগী বাণিবু থয়াইবা অমসুং মশগী মৈতৈলোন্দা ভাষ্যকারশিংগী টিকা-শিংগা কোয়না ইবা রচনা মমল—লুপা ২,

২। ব্রহ্মচর্য্য=নহারোলশিংগী-পুক্নিং+হকচাং+থাখল ফগৎনবা অথোইবা পাম্বৈ—ব্রহ্মচর্য্যব্রতগী হীরমশিং মমল লুপা ১.৫০

৩। য়োগ সাধনা=সূর্য্যনমস্কার, য়োগাসনগী চিত্র অমসুং প্রাণায়াম মায় সাধনগী অহানবা শাজেল রাওবা মমল লুপা ১.২৫

৪। প্রার্থনা মঞ্জরী=নিত্যচার, দেব দেবীশিংগী ধ্যান প্রার্থনা পূজাগী বিধি, তর্পন শান্তি মন্ত্রনচিংবা মৈতৈলোনগী অর্থগা কোয়বা মমল পৈশা ০. ৭৫

৫। শিদহিদাক=মহৌশানা মণিপুরদা কংবা হীদাকশিং অমসুং মথোইগী কায়বা তাকপা অমসুং ইয়রাই হিদাক শেমগৎনা অনাবা কোয়বা পাম্বৈ মমল লুপা ২ ৫০

৬। নিংশিংবা শ্রমা পাম্বৈ

কাওগনবা চিনকাপুবা রায়নবা মীগী অকবা সাধনা অমসুং হীদাকনাচিংবা তাকপা মমল লুপা ১

৭। রাইকা যুবালোন=নুহোংনবগী ছুংপা থংগদবা কামশাস্ত্র। মমল লুপা ২

অতাংয়োকপা, লুপীগী লাইয়েং অমসুং যুমগী লাইয়েং প্রেসতা

কংবম (১) ও কে ষ্টোর, পাউনা বাজার

(২) প্রাকৃতিক আরোগ্য ভবন পাউনা বাজার

ইম্ফাল।

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে ।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে ।
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে ।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে ।

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে ।
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে ।
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে

হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে
হরে কৃষ্ণ হরে কৃষ্ণ কৃষ্ণ কৃষ্ণ হরে হরে
হরে রাম হরে রাম রাম রাম হরে হরে